# ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই

# অ·মাই·লোন পুকোক

(পুয়া অসিগী ৱাফম খরগী ৱাহহোক পীবগা লোয়নবা)

লোয়ননা

মণিপুর সরকারগী স্কুল অঙাংশিংদা তম্বীনবা পুথোক্লিবা

মীতৈ ময়েক্কী মতাংদা অহকপা য়ানীংদবা খরা

নাহারোল কংলৈচাসিংগী হয়েংগীদমকতা,

ঐখোয়না ঙসি ..................


অইবা

ꯁꯦꯂꯔꯪꯈꯁꯦ ꯁꯥꯂꯔꯪꯈꯇꯪꯘ

তেঙপাঙবা

ꯁꯦꯊꯪꯖꯥꯃꯦ ꯊ꯫ꯖꯥꯒꯤꯌꯦꯊꯈꯦ ꯇꯨꯁꯦꯂ

# ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অ·মাই·লোন পুকোক

( পুয়া অসিগী ৱাফম খরগী ৱাহন্থোক পীবগা লোয়নবা )

লোয়ননা

মণিপুর সরকারগী স্কুল অঙাংশিংদা তম্বীনবা পুথোক্লিবা মীতৈ ময়েক্কী মতাংদা অহকপা য়ানীংদবা খরা ।

*অইবাঃ*

ৱাংখেমচা চীংতমলেন

*তেঙপাঙবাঃ*

ৱাহেংবম ইবোয়াইমা লুৱাঙ

লাইলীক অসি কংলৈচাশিংনা মখোয়গী হৌখ্রবা পুনসিবু খংনবা অমদি শকতাক ( Identity ) উৎপদা লায়ননবা পুথোকচবনি ।

ফোংথোকচবা : কংলৈপাক হিস্তোরিকেল এণ্ড কলচরেল রিসার্চ সেন্টর, সগোলবন থাংজম লৈরক, ইম্ফাল ।

তেলেফোন : ২২২৮৯৪৬, ৯৮৫৬২৪৫৮০১

অহানবা ফোংবা : ২০০৬

কোপি রাইট : অইবা অমসু তেঙপাঙবা

লাইলীক মশিং : ১২০০

মমল : লুপা ৪০/-

নমফম : এম আর প্রিন্টরস, ইম্ফাল ।

## য়াওফম তাকপা

| | | লমায় |
|---|---|---|
| ১ । | লৈরোল চনখ্রবা ই·পা ই·পুশিংনা মতম পুন্নমকতা মতেঙ পীবা । | ১ |
| ২ । | পুয়াগী ৱাহঙ্খোক তাকপা । | ২ — ৩ |
| ৩ । | মমল নাইদ্রবা পাউ । | ৩ — ৪ |
| ৪ । | ময়েক্লা তাবা করিনো । | ৪ — ৫ |
| ৫ । | লৌখৎপা য়াদনা লাল্লবা পুয়ানি হায়জবা শেমজিনবা "পোন্বী লাং" (পোন্বী লাংদা মমানা থা ১২ নাওপুবা) | ৫ — ১২ |
| ৬ । | নোংপোক থোঙ হাংবা, মৈনা ৱাই তাংনা শম, নোংপোক থোঙ থিংবা । | ১২ — ১৫ |
| ৭ । | ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অ·মাই·লোন পুকোক । | ১৭ — ৬১ |
| ৮ । | মীতৈ ই·য়েক, মীতৈ ই·য়েককী কাংলোন পথাপ, হৌজিক্কী সরকারগী স্কুলদা তম্বীরিবা মীতৈ ময়েক্কী মতাংদা য়ানিংদবা খরা । | ৪২ — ৫৩ |

## খঙ্গবীগদবা ৱারোল

ফোঙলীবা লাইলীক পুয়া অমদি লাইলীক অসিগী ময়াইদা মীতৈ ইয়েককী মতাংদা অইবনা, পীরিবা ৱাখল্লোন অসি অসুক্কী মতিক, হোংলকলিবা কংলৈপাক্কী লাংওন-লাংতাই অসিদা, মরু ওই মদুদি পুয়া অসিগী মতেংনা অমদি পুয়া অসিদা য়াওরিবা মীতৈ ই·য়েকপু চুন্না অমদি মীথোই মীহেক্লেম্বা ইপা ইপুগী ইয়েককী কাংলোন পথাপ কায়দনা শিজিন্নবনা কংলৈচাশিংগী শকতাক (Identity) মালেমদা উৎপদা, চুন্না অমসু লায়না থোক্কনি। হৌজিক্কী ইম্ফাল তম্পাক অসিনা ই·শিং লৈরিঙৈদা, মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা থাংচীং, কৌপলু অমদি নোংমাইচীং অসিনচিংবা চীংথকতা চহী লিশিং কয়া পাল্লম্লবা মতুংদা, চীংনুঙহুততা ই·শিং চিংথোকখিদুনা তম্পাক অসি কংলক্লবা মতুংদা, চীংশাংসিং অসিদগী মীশিং অসিনা কুম্লকতুনা হৌজিক্কী কংলাদা ইহান হান্না য়ুমকৈ শাদুনা তম্পাকতা পানবা হৌরক্লকই, কুম্লক্লিবা মীশিং অসি মতম অসিদা নুপীনা 'লৈমা' নুপানা 'লাই' হায়না খংনরমই, লাইশিংনা পানবা মফমনে হায়দুনা কংলা ইংফম, কংলা লাইফম হায়না কৌরমই। মসি ঙসিদগীনা চহী ১০,০০০ (লিশিং তরা) রোমগী মমাংদা ওইবা য়াই। লৈমা-লাইশিং অসিনা মখোয়গী কংলা ইংফম অমদি কংলা লাইফমনা লৈবা লৈপাকপু কংলৈপাক হায়না থোল্লমই। পুন্নমক অসি পুয়া অসিগী মতেংনা খংগনি। মতম অসিদা চীং অমসুং তমগী মীশিং অসি মখল অমতনি। তমগী মীশিং অসি অকোয়বা চীংদগী কুম্লকপনি, অদুগা চীংগী মীশিং অসিনা, তমগী মীশিং অদুনা চীংদগী তমদা কুম্লকপা মতমদা লৈহৌবা মচিল মনাও মপা মচাশিং অদুনি। মতৌ অসুন্না চহী লিশিং খরা চীংতম অমতা ওইনা চংথোক চংশিন তৌদুনা পাল্লমই। মতম অসিদা হৌজিক্কী Politics, Polity হায়বা ৱাখল্লোন অসি য়ান্না মমি শান্না লৈরমই। অদুবু ঙসিদগী চহী লিশিং মরিরোমগী মমাংদা হায়বদি খৃ মমাং চহী লীশিং অনিরোমগী মতমদা য়ান্না থৌনা ফবা নুপা অমা থোরকতুনা, কংলানা মহাক্কী মপান্দল, Political Power centre ওইরগা চীং অমসু তমগী ৱায়েন-থৌদাগী থৌরম পুন্নমক

মহাক্কী মখুত্ত পায়শিল্লমই, হৌজিক্কী Polity গী বাহম্লোক মপুং ফাহন্দুনা কংলৈপাক অসি নিংথৌপানবা লৈপাক (absolute monarchy) ওইরক্রমই। অহানবা থৌনা ফবা নিংথৌ অদুগী মমিং পুৱারীনা ইপু অথৌপা কোনচীন তুকথপা পাখংপা কৌরমই। কংলৈপাক অসি খৃঃ মমাং চহী লিশিং অনিদগীদি মপুং ফাবা নিংথৌ পানবা লৈপাক (Under an absolute Monarch) ওইরে।

মীতৈ ঐখোয়গী থাজনবী অমদি মীতৈ সালাই ৭ কী হৌজিক হৌজিক চৎনরিবা য়েক সালাইগী পথাপ অসিনা তাক্লিবদি মীতৈ ঐখোয়সি কংলৈপাক্কী অহানবা নিংথৌ কোনচীন তুকথপা ইপু অথৌবা পাখংপাগী মচা মশুশিংনি, চহী লিশিং মরিরোমগী Polity লৈরক্লবা মী কাংলুপ (জাতি) নি। মীতৈ সিংনা খৃঃ মমাংদা মভান্দা মচু ৭ (তরেৎ) য়াওবা, নক্লবা লৌনা লৈনবনা ফত্তবা (য়েক সালাই পথাপ) খংখ্রে। খৃঃ গী আ মমাংদা মীতৈনা মালেমগী খ্বাইদগী Scientific ওইবা ময়েকসিংগী অমা ওইরিবা ইনবা ই·য়েক ১৮ পুথোকখ্রে। খৃঃ মমাং চহী ১৪০০ দা মীতৈ চৈচৎ (Era) পুথোকতুনা চৎনরে। হৌজিক্কী মীতৈ হায়বা মী কাংলুপ (জাতি) অসি মথক্কী মীতৈ হায়বা লিরবা মী কাংলুপ (জাতি) অদুনি, মখোয়গী চাদা নাওতানি। কলক মিহৌচাওবা কাংলুপ (জাতি) অমনা পুয়া মৈ থাদোকখিবদগী মতম খরা অবাবা ইকাইবা নংলুবগী বাদনি। মসিনি মীতৈ সালাই ৭ কংলৈচাশিংগী শকতাক (Identity)। পুন্নমক পুয়া অসিগী মতেংনা খংগনি।

মথংদা, ফোঙলিবা লাইলীক অসিগী অহৌবা লামাই ১৫ ফাওবদা পুয়াগা মরি লৈনবা কংলৈ পুৱারীগী খোংচৎকী পাউরৌ পাউথা কয়ামুক্কী বাহম্লোক পীরি। পাউরৌ পাউথাশিং অসিগী বাহম্লোক শেংনা খংবনা মীতৈগী পুৱারী অমসু মীতৈ হায়বসি কনানো খংবদা য়াম্না মতেং পীগনি। অমদি মালেমদা মীতৈবু শকতাকপদা, (Identity) উৎপদা চাওনা মতেং পাংগনি।

মথংদা অমুক, পুয়া নম্বদা, অশেংবা মীতৈ ই·য়েকতগী বেঙ্গোলী ময়েকতা নমথোকপদা, Transcribe তৌবদা য়াম্না লুবা বাফম অমা থোকই। মীতৈ ই·য়েকতা বেঙ্গোলী ময়েক্কী মতৌগুম্না ই, ঈ হায়না অনি শুদে। ꯏ. খকতা লৈ। মীতৈ ই·য়েক ꯏ. অসি বেঙ্গোলী ময়েক ই, ঈ অনিসিগা নত্রগা অমগা মান্নে হায়না লৌবা য়াদে। অদুবু পুয়া অসি মীতৈ ই·য়েকতগী বেঙ্গোলী ময়েকতা নমথোকপা তাবনিনা ꯏ. অসিগা, বেঙ্গোলী ময়েক্কী ই, ঈ অনি অসিগী অমগদি মান্নহনবা তাবনি। মরম অসিনা পুয়া অসি নম্বদা ꯏ. অসি ই·গা মান্নহল্লি। পুয়াগী কাংলোন অমনা ꯏ. না ই·য়েক ই·পীনি, ময়েক মপুমনি অদুগা ꯏ (ই·লীক য়াওদ্রগনা) ই্ গা মান্নে, ময়েক মচেৎনি। ꯏ. না ঈ গা মান্নে, ꯏ না ই গা মান্নে হায়বসি লাল্লি। মরম অসিনা মীতৈ পুয়াগী বাহৈ ꯏ.ꯏꯦ°ꯡ হায়বসি বেঙ্গোলী ময়েক্লা ই·য়েক হায়না নম্লক্কনি, ꯍꯤ.ꯏꯃꯩ হায়বসিনা ম·হইচৌ অসুম্না নম্লক্কনি। অকুপ্পা মরোল পুয়াগী শরুকতা মুম্না য়েংবিয়ু।

অরোইবদা, লাইলীক মচা অসি নম্বদা শেলগী, পাঙ্গলগী অমদি লৌশিংগী মতেং পীবীরকপা পুকচেল চাওরবা অমদি চাওরবী কয়াগী মফমদা অইবা অমসু তেঙপাঙবনা ভমখৈ লৈতনা তৌবিমল খংবা উৎচরি।

নমজরিবা লাইলীক মচা অসি মীতৈগী পুৱারী অমদি মীতৈ ই·য়েক শেংনা খংনবগী খোংচৎতা অনৌবা অমদি অচৌবা খোঙথাঙ অমা ওইবনা খংহৌদনা অৱাৎপা অশোয়বা কয়া য়াওরম্বা ওইথোকতবা নত্তে, তাকপীরকপা পুন্নমক অইবা অমসু তেঙপাঙ্বনা তরাম্না ওকচগনি, কংলৈচা কাংলুপকী য়াইফনবা হোৎনজগনি।

বাংখেমচা চীংতমলেন

সগোলবন্দ থাংজম লৈরক।

ইম্ফাল

৯ জুলাই, ২০০৬

## ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অ·মাই·লোন পুকোক (পুয়া অসিগী ৱাফম খরগী ৱাহম্লোক পীবগা লোয়নবা) লোয়ননা মণিপুর সরকারগী স্কুল অঙাংশিংদা তম্বীনবা পুথোক্লিবা মীতৈময়েক্কী মতাংদা অহকপ য়ানীংদবা খরা।

### ৱাহম্লোক খরা

ৱাকোকলোন হীলেন থিলেল সালাই অ·মাই·লোন পুকোক কৌবা পুয়া অমা চহি লিশিং মরিরোমগী মমাংদগী লৈরম্বা অমদি পুয়া অদুবু ১৮ শুবা চহিচাদা মৈ থাদোকখিদৌরে খঙবদগী মতম অদুগী পুয়া অদু পায়বা কোম্লুংগী ফমনাইবা চাওপানা অকি অখং, থাদোকতুনা নুমিৎ ১৫ নি চংনা লোম্না শিম্লোকহৌবা পুয়াগী চপ মান্নবা লাইলীক অসি লৈখিদ্রবা মীতৈ ঈপা ঈপুশিংগী সালাই তরেৎকী মচা মশু কংলৈচাশিংদা তৌরম্বা মমল নাইদ্রবা খুদোল লম্নি। তাইবং মালেমগী য়োইহেন্নবশিংনা য়াম্নরবা মোংফম মনুংদ লৈখ্রবা অহল লমনশিংনা হিংলিবা মচা মশুশিংদা য়াম্না নুংশিনা লেপতনা মতেং পাংদুনা লৈ হায়বা অদুগী য়াম্না চাওরবা খুদমনি পুয়া অসি। পুয়া অসিদা য়াওরিবা 'তলঙ মালঙ', 'নোংলোন ৭''মচু ৭' (All space Science), 'লৈলোল নোংলোন ১৪' (Earth and space Science), লাইপুংথৌ ৭ তা পকই হায়বা, পুয়াগী লোন্দাদা, 'ই·য়েক' 'ই·লীক ' (Human blood, gene and genetics theory), লুহোংবদা অথিংবা পীবা য়েক-সলাই পথাপ (Rule) অসিনচিংবা মীতৈ ঈপা ঈপুনা চহি লিশিং ৪গী মমাংদা খঙলমলিবা অসি হৌজিক্কী মালেম্না ২১ শুবা চহিচাদা খঙবা লোইদ্রি হায়না খল্লি। মসি মীতৈ কংলৈচা ঐখোয়না কয়া চাওথোকনিংঙাইনো! হৌজিক্কী মীরোলনা ময়েক লানা অমদি মীথোই মীহেম্না হিংলম্বা ঈপা ঈপুশিংবু করম্না মীরাইগদৌরিবনো অমদি মখোয়গী লীচৎ করম্না থৌওইরোইদৌরিবা অমসু থাদোক্কদৌরিবা! কংলৈচা পুন্নমক মীকপ থোকপীয়ু, ঈপা-ঈপুগী খোংগুল লীবীয়ু, শোয়দনা নুংঙাই য়াইফবা পুরক্কনি।

| |
|---|
| লৈরোল চনখ্রবা ঈপা ঈপুশিংনা মতম পুন্নমক্তা মতেং পীবা |

## পুয়াগী ৱাহন্থোক তাকপা

'পুয়া' হায়বা অসি করিনো, 'পুয়া' হায়বা ৱাহৈনা করি তাকলিবনো হায়বসি মীওই অমসু অপাম্বা খেন্নবা কয়া লৈবদগী তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া ফোংদোক্লরকই। অদুবু 'পুয়া' হায়বা ৱাহৈ অসিদি অনি শুনা ৱাহন্থোক পীবা য়াবা ৱা (Concept) লৈতে। অপাম্বগী মতুং ইন্না অমা হেক্তা হায়জিনবা ওইথোকলোই। হৌজিক হৌজিক ২১ শুবা চহিচাদা মীতৈ সালাই মচা ঐখোয়না পুয়ানি হায়না থাজবা থম্লবা, হৌজিক ঐখোয়গী খুৎতা লৈরবা লাইলীক অহুমখকতা য়াওরিবা খরা পুথোক্তুনা উৎচগে। মদুনা পুয়া হায়বসি করিনো খঙবদা অচৌবা মতেং পীগনি। ৱাকোকলেন হীলেল থিলেল সালাই অ·মাই·লোন পুকোক্কী অহৌবা লামাইদা অসুম্না ইরি- 'পুয়ানা খাকপা লৈতনা আমতি চক মালি অসিগী মথকতা ওইঙ মখিপা আমতি চকমালি আসিকী মনুঙতা ওইঙমলকপা কয়াগী মালমপু আপোই ননা মচা মাইচৌপু ৱালি লীপিও হাইনা লৈপাক মীয়ামকী নিংথৌনা মাইচৌ মালিকী আমতি আপোই ননা মচাকী মফমতা ৱাকতচৈয়ে ॥ ০ ॥ ননা মাইচৌনা ৱালি লীয়ে — চকপালম মচা মাইচৌনা লাইকী চৈ থাপিয়ে আতুকা মাইচৌ আহুমসু তাপীও ১ তি লুৱাঙ চম মচা মাইচৌ, ২ তি ৱাহিঙপম মচা মাইচৌ, ৩ তি চীনকাঙপম মচা মাইচৌ ৩ আসি য়াওনা কংলৈয়োনতা মেনতা সংকুপলৈ মখোঙতা ফমপাল লাংলিঙৈতা ৱাকোকলোন ১ তি ৱাহৌলোন ২ তি ইংনুঙলোন খুনুঙলোন আসি খৈপীককী ৱাপু মঙাং শালাই ইংকী লৈসংলেল আসং ঙাসাপা নিঙথৌকী ৱালী লীখুনপু ননা মাইচৌনা মাইচৌ মালিনে লৈপাক মীয়ামনে আসি খৈপীককী মফমতা হাইলকলে ॥ ০ ॥' অমদি অরোইবা লামাইদনা অসুম্না ইরি "অসুম হায়না মাইচৌ ৪ নে, লৈপাক নিংথৌ মীয়ামনে পুমনামকতা মঙাং নিংথৌনা ঙাসাপাতা তাকপী তমপিখিপা ঙাসাপাকী ৱালী লীখুনপু মুংয়াংপা নিংথৌনা পাউতাক হিতেনতকী হললকপা মতাংতা লীখিয়ে ॥ ০ ॥" — ৱারী লীরিবনা অপোই ননা মচা মাইচৌনি। মথংদা ৱাচেৎলোন পাথুপ পুয়াগী অরোইবা লামাইদা অসুম্না ইরি — "লাইলীক অসিতি সালাই তলেপকী অ·হন তলেপনা লাংকোনতা লুৱাং নিংথৌ পুনসিপাকী মফমতা ৱাচেৎলোন পাথুপপু খাকপা লৈতানা অপোই ননা মাইচৌনা মপুকী লীখুন মলমপু আহন তালুককী মফমতা লীপানে" খমওই য়াংওই সেকনিং পুয়াগী অরোইবা লামাইদা অসুমনা ইরি — "অসিকুমপা লাইলীক অসিপু মঙাং নিংথৌ সিতপানা মঙাং ইংকী ঙাসাপা নিংথৌতা পীখীপনে। লাইলীক অসিকী ইংচেলপু লৈপাক মীয়ামনে, খাকেমপা নিংথৌনে, পুমনামককী মফমতা অপোই ননা মচা মাইচৌনা ৱালী লীলকা চাকপালম মচা মাইচৌনা লাইকী চৈ থাতুনা ইখিপনে।"



মথকতা পনজরিবা পুয়া অহুম হায়বদি— ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অ·মাই·লোন পুকোক, ৱাচেৎলোন পাথুপ অমদি খমওই য়াংওই সেকনিং অসিদা পুয়াগী মতাংদা হায়রিবা অদু অপাবশিংনা শেংনা উবিখ্রে অমসু পুয়া হায়বসি করিনো, ৱাহৈসিনা করি তাকলি হায়বদু য়াম্না শেংনা উৎলবনি। পুয়া হায়বদি লৈপাক মীয়ামনে, নিংথৌনে অমদি পু (হায়বদি মীতৈ খুন্নাইগী মাঙ্গৈচৌশিং) না হিরম অমদা নত্রগা হীরম কয়াদা য়ানদুনা থম্লম্বা ৱাফমনি। মরক মরকতা নিংথৌ অমসু লৈবাক মীয়াম্না মাইচৌশিংবু পুয়া লীহন্দুনা নত্রগা পাহন্দুনা তায়। মরম অসিনা লৈপাক্কী নিংথৌগী ফম পুন্নমক অসি হিন্দুনা পাঙ্গৈখ্রবা, অমদি কংলৈপাক্কী ৱায়েন থৌদা ময়াংগী মখুৎতা তাখ্রবা ( মাইচৌশিংবু উমংলাঙ্গৈগী থৌরম পাঙ্গৈহন্দ্রবা, লাইগী থৌরম পুন্নমক ময়াং বামনশিংনা পাঙ্গৈহনখ্রবা, লাইলীক্কী লোইশং ময়াং পণ্ডিটশিংনা পাঙ্গৈখ্রবা, লৈপাক্কী থৌরম থৌদাশিংগী অরুবা ৱাফম তানবতা মীতৈ মাঙ্গৈচৌশিংবু য়াওহন্দ্রবা - - - - - - মতমদা পুয়া ইদ্রে, পুয়া পাদ্রে, হায়বসি ইরাই লাইনা খংবা পোথনি। মরম অদুনা হৌজিক্কী কংলৈচা মীয়াম্বু নুংশিবা শাবা, মপুনসিদি কংলৈপাক মাংহন্নবা হোৎনবদা লেল্লক্লবা 'মৈতৈ পণ্ডিট' কয়ানা 'পুনা য়ানবা, থম্লম্বা' পুন্নমকপু পুয়া কৌই হায়জিল্লকপা অসি পুয়াশিং মৈ থাদোকখ্রবা মতুংদা শেমজিল্লকপা ময়েক ৩৫/৩৬ না ইবা লাইরিক কয়াবু পুয়া ওইনা উহন্নবা হোৎনবা, কংলৈচা মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা নমথাক তৌনবা হোৎনবা থৌরম পরেংনি। অদুবু ঈপা ঈপু শেংলবা অৱাংবা থাক্কী কংলৈচাশিংনদি তাবিগদবা লৈত্রে। ১৮ শুবা চহিচাদগীদি মীতৈ নিংথৌ, মীতৈ মাঙ্গৈচৌশিং অমদি মীতৈ মীয়াম্না য়ানবা লাইলীক অমতা ইখিদ্রে। পুয়া হায়বদি পামহৈবগী মমাংগী লাইলীক হায়বগা মান্নে।

মীতৈ পুয়াদি ময়েক ১৮/১৯ দতা ইগাদবনি। ময়াংগী ( সংস্কৃত, বাঙ্গালী নচিংবা ) ৱাহৈ ৱাতা অমতা য়াওরোই। মসি ফোংদোক্কদৌরিবা পুয়া, ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অ·মাই·লোন পুকোকপু, পামহৈবা অমসু শান্তিদাশগোসাইনা পুয়া পুন্নমক মৈ থাদোক্লমদাইদা ( পুয়া অসিবু ) শিন্থোক্কপিরম্বা চাওপাগী ৱাহৌথোক অসিদগী শেংনা খংবিগনি। ৱাহৌথোক অসি ১৮ শুবা চহিচাদা কোন্নুংনা অমসু লৈপাক মীয়াম্না ( চাওপাসু য়াওনা ) শিঙ্গমরম্বা ময়েকতা, ৱাহৈ ৱাতাদা ( ইফম থোকপনা ) ইরম্বনি। মথাদা নম্লক্লিবা ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অ·মাই·লোন পুকোক পুয়া অসি ময়েক ১৮ দা ইবনি, সংস্কৃত, বাঙ্গালীগী ৱাহৈ ৱাতা অমতা য়াওদে, পাবিরগা খঙবিরগনি।

মথংদা, পুয়া অসিবু শিন্থোক্লম্বা চাওপানা ইরম্বা শিন্থোকপগী ৱারোল ( ৱাহৌথোক ) অসিনা হৌজিক্কি কংলৈচা মীয়ামদা মমল নাইদ্রবা পাউ কয়া থাইনগী লৈখিদ্রবা ঈপা ঈপুগী মরমদা পীরি। ৱাহৌথোক অসি পুয়া মৈ থাবা উহৌবা কোন্নুংগী মায়চৌ, পুয়াসি পায়বা অমনা ইরম্বনি। অহানবা ওইনা

পীরিবা পাউগী ৱাফমদি মীতৈ কংলৈচাশিংদি পামহৈবনা পানবা ১৮ শুবা চহিচা ফাওবা ময়েক ১৮ দমক শিঞ্জিন্নরম্মি, ইরমই হায়বসীনি। মীতৈ কংলৈচাশিংনা চহি লিশিং কয়াগী মমাংদগী কংলৈচা খুন্নাই শাগৎলকপা মতমদগী ইংয়েক

**মমল নাইদ্রবা পাউ**

( ময়েক ) ১৮ দমক ইদুনা শিজিন্নদুনা লাকপনা, মপানগী ইথিল অমতা য়াওদনা পামহৈবগী মতম ইং চহিচা ১৮ শুবা ফাওবা ময়েক ১৮ দমক ইদুনা শিজিন্নদুনা লৈবনা, চাওপানা শিঙ্খোকপা মতমদা মতম অদুগী ৱাহৈ ৱাতাগী মওংদা ইয়েক ১৮ দমক শিজিন্নদুনা, ইদুনা-শিঙ্খোকপনি হায়বসি চেন্ননিংঙাই ওইদে। মরম অসিনা ১৮ শুবা চহিচা ফাওবদি মীতৈদি ময়েক ১৮ দা ইরমই, শিজিন্নরম্মি হায়বশি ৱাহৌথৌক অসিদা ময়েক ১৮ দমক শিজিন্নরিবা অসিনা তশেংনা তাকই। মথংদা ৱাহৌথোক অসিনা তাকলিবসি মীতৈ কংলৈচাদি মলিয়াফম পালচা কুম ( কুম চৈচৎ-Era) অমা পামহৈবা মতম ফাওবা চৎনরম্মি, মলিয়াফম পালচা কুম্না ইংলিস কুম (Christian Era ) দগী চহি ( ৩১০৭—১৭০৯) ১৩৯৮ হাল্লি হায়বদি মীতৈ কুমচৎ (Era) দি খৃঃগী মমাং চহি ১৪০০ ( 1400 B.C. ) অদ্বাইদা হৌই হায়বসি অমুক তসেংনা তাকই। মসি চাওপানা মহাক্না পুয়া অসি শিঙ্খোকপগী মরম ৱারোল অসিদগী খঙবনি। মথংদা ' চৈহিকী কুমহৌ আহানপা নুমিততগী শিঙ্খোকপা হৌপনা নুমিত ১৫ চঙনা ৱাকচীংকী থানিনতা লোইয়ে। ' হায়না ইরিবা অসিনা মীতৈগী চহিদি ৱাকচীংদগী হৌই হায়বসি অমুক চিংননিংঙাই লৈতনা তাকই। মথংদা অমুক 'লাইলীক অসি মাঙপা য়াতাপনা চাউপা ঐনা শিঙ্খোকহৌপনে। ' হায়না ইরিবা অসিনা অমুক তাকলিবদি পুয়া পুন্নমক মৈ থাদোক্কদৌরে মুন্না খংবদগী তাংলবা ঈপা ঈপুগী লন পুয়া অসি তুংগী কংলৈচা মীরোলগীদমক কলহৌনবা শিবা কিদনা চাওবানা পুয়া মৈথাবগী হেক মমাংদা শিঙ্খোকহৌবনি হায়বসি খংই। পুয়া মৈ থাখিবগী চাওরবা পুৱারীগী অইবা খুদম (Written Historical Evidence) নি। ইলোই লোইবা পরেংদা ইরিবা 'লাইলীক অসি ইংনুঙ ইংয়েক, খুনুঙ ইংয়েক সুপলাপা হৌফমকী পুয়ানে লেপনা খঙপীও।। ০।।' হায়বা অসিনা তাকলিবদি ৱাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অংমাইংলোন পুকোক অসি মীতৈগী হৌফম, ইংয়েক ( ময়েক ) অসিনচিংবা মীতৈ খুন্নাইগী য়ুমফম ওইবা ৱাফম কয়াগী হৌফমগী পুয়ানি হায়বশিনি।

চাওপাগী পুয়া শিঙ্খোকপগী ৱারোল অমদি পুয়া অসিনা কংলৈ খুন্নাই দা তোয়না তাবা 'ময়েক্লা তাবনি' হায়বা পাউরৌ অদু মওং অমদি ওইরক্কদবা তাকলি। ১৯৪৭ দা নিংথৌগী মঙম লৌথোকখিবা মতুং ইকুই কুইদনা ১৯৫৮ তা (Judge) ওইরম্বা লৈখিদ্রবা লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহলগী লুচিং মখাদা মীতৈ



ময়েক্কী অহৈ অশিং পুন্নমক য়াওনা শেমখিবা ময়েক লুপতিন কমিতিনসু মীতৈগী য়েলহৌ ময়েকতি ১৮ দনি হায়বসি খংলম্মি অমদি য়ারম্মই। ১৯৭৮ তা শেমখিবা মীতৈ ময়েক এক্সপার্ট কম্মীতিনসু পামহৈবগী মতম ফাওবা চৎনরম্বা মীতৈ ময়েক ১৮ য়ান্নরমই। মতৌ অসুম তৌনা মীতৈ সালাইগী মনুংদা পোকপা অহৈ অশিং অমদি লৈপাক অসিগী মীচম পুন্নমক্না লৈপাক অসিদা পামহৈবগী মতম ফাওবা কংলৈচাশিংনা ইংয়েক ময়েক ১৮ দমক ইরমই অমসু শিজিন্নরমই হায়বসি খংনরকপগা লোইননা, মীতৈ খুন্নাইদা তোয়না তাবা পাউরৌ 'ময়েক্লা তাবনি ' হায়বসি খংনরকলি অমসু মীতৈ খুন্নাইদা ওইরক্কদবা তাকলি। ' ময়েক্লা তাবা ' হায়বদি ১৮ শুবা চহিচা পামহৈবনা পানবা মতম ফাওবদি মীতৈনা ময়েক ১৮ দমক শিজিন্নরমই অমদি ময়েক ১৮ দমক শিজিন্নদুনা ইরমই হায়বসি তশেংনা খংলবনিনা, মসিনা হৌজিক্কী কংলৈচা খুন্নাইদা য়াম্না চাওবা, য়াম্না ময়েক শেংবা, য়াম্না চাওনা ইথিল পীবা ৱাখল্লোন, ৱাখলগী ঈহৌ অমা থোকহল্লকই — মসিনি 'ময়েক্লা তাবা ' হায়বদি। কংলৈ ইংয়েক ১৮ দা হৌজিক্কী 'র' , বাঙ্গালী ময়েক ৩৫/৩৬ কী 'র' য়াওদবনা, লৈপাক অসিগী মমিং 'মণিপুর' হায়বিবসি ১৮ শুবা

**ময়েক্লা তাবা করিনো**

চহিচা ফাওবদি ওইরমদে, ১৮ শুবা চহিচা পামহৈবনা পানবা মতম ফাওবদি 'মনিপুর' কৌরমদে হায়বসি ময়েক্লা তাবনি। 'আর্জুন' হায়বা ৱাহৈসিদা য়াওরিবা ময়েকশিং 'র' অমসু 'জ' অসিসু মীতৈ কংলৈ ইংয়েকতা য়াওদবনা, কংলৈপাক্কী অইবা পুৱারী (History) দা 'আর্জুন' হায়বা ৱাহৈ য়াওদে, য়াওফম থোকতে হায়বসি ময়েক্লা তাবনি। মদুগুম্না 'আর্য্য' হায়বা ৱাহৈ অসিসু কংলৈপাক্কী পুৱারীদা য়াওদে, শুকয়াও য়াওফম থোকতে হায়বসিসু ময়েক্লা তাবনি। মরম অসিনা লৈপাক অসিগী মমিং মণিপুর কৌরমই, 'আর্জুন' গী চাতা নাওতানি, 'আর্য্য' নি হায়বসি ১৮ শুবা চহিচাগী মমাংগী পুৱারী নত্তে, ১৮ শুবা চহিচা অমসুং মতুংদা বেঙ্গোলী ময়েক ৩৫/ ৩৬ নমদুনা মীতৈ ময়েক মুথৎলগা চৎহলখ্রবা মতুংদা শেমজিল্লকপা, হায়জিল্লকপা পুৱারীনি হায়বসি ময়েক্লা তাবনি। পুন্নমকসি ময়েক্কী ৱায়েলনি।

মথকতা ইজখিবা শিঙ্খোক্লবা পুয়াগী ৱাহৌথোকতা মীতৈ কংলৈচাদি চহি হৌবসি ৱাকচীং থাদগী হৌবগী ৱাফম শেংনা উবিখ্রে। মমিং তোঙান তোঙান থোল্লবসু চীংগী মী কাংবু খুদিংমক ৱাকচীংগী মতমদা চহি হৌই। মসি চীংগা

**লৌখৎপা য়াদনা লাল্লবা পুয়ানি হায়বা শেমজিনবা 'পোম্বী লাং'**

তমগা ঈ কাংলুপ অমতা ওইবগী খুদমনি, নমদুনা হিন্দু ওলহন্দ্রিঙৈদা অমতা ওইনা হিরম খুদিংমক চৎলম্বা, মান্নরম্বগী খুদমনি। অদুবু ১৮ শুবা

চহিচাদা মীতৈবু নমদুনা হিন্দু ওলহল্লবা মতুংদা, মপুং ফানা ময়াং ওলহন্নবগী থৌশিন্দা শজিবুদা বেঙ্গলগী চরক পুজা গী মতমদা মীতৈগী চহি হৌহ্নখি। শজিবুদা চহি হৌহ্নবা অসি নমদুনা তৌহন্নবা, কিহ্নবগা লোইন্নবা, চৈদা শরিক অচৌবা অমা পুল্লগা শগোল লানমীনা পাঙ্গৈরগা খীংল খীংলগা ' ঙসিদগী চহি হৌরে ' হায়দুনা শজিবুদা লাও লাওদুনা মী তাবা খুল খুদিং চৎতুনা পাউ পীরমই। মসিবু মীতৈনা ঙসি ফাওবা 'চৈলাওবা = চৈরাওবা' হায়না খংনরি। কোহ্নোংদা শজিবু চৈরাওবদা অরানবা শেমজিনবা লাইরোম্নি হায়বা খরা শোল্লগা অথোংপোৎ থাদোকপা মীতৈগী চৎনবী নত্তে। চৈরাওবা পাংথোকতবা খংদোক্লবা অমদি চৈরাকপীনবা শিল্লম্বা থৌরমনি। তশেংবমক্তি 'চৈলাওবা = চৈরাওবা' গা চহি হৌবগা ৱাহন্থোক মান্নদে। চৈরাওবা হায়বদি চৈ পাঙ্গৈদুনা লাওই হায়বা অদুতা খংনবনি। চৈরাওবনা ঙসি ফাওবা চহি হৌবনি হায়দে। নিংথৌনা কীহ্নবগা লোইন্নবা অরানবা শেমজিনবা লাইৱা তীলবা শোলহন্দুনা লাইগী থৌরম মানবা থবক খরা পাংথোকপগী ৱাদনি। ( চৈরাওবা নুমিৎতা চাক্লুক অহুম কৎলগা, ইরম মাবা তুমাবা, ইরম শেনবা তুশেনবা, কুম সনা কুমলিকলাই অহুম্না লুক খুল্লে, অরেম্বা লুখাক অদুনা হ্নুবা কোকচাও, হন্নু লৈখম, খুন্দা হানবা অহুম্না ফংএ। হ্নুবা কোকচাও হায়বদি খ্বাইদগী ইহুন হ্নবা, খ্বাইদগী শিংবা, মঙোন্দগী হেন্না শিংবা লৈত্রবা, পুন্নমক মাগী কোকতগী থোরকপা ওইরবা লাই অদুবু মীতৈনা 'হ্নুবা কোকচাও' কৌই। হন্নু লৈখম=হন্নু লাইখম হাযবদি খ্বাইদগী হল্লবা লাই অথম্বা হায়বনি। তেং পানবা মপু অদুনা অহানবা তাইবং শেমদুনা মালেমদা খুহ্নোকলকপবু 'খুন্দাহ্নবা' কৌই। শেমজিনবসু হৈতবা কাংবুনা ৱাখল শেংদবা লাইমিং খরা শেমজিল্লগা মীতৈগী ঈপা ঈপুগী অশেংবা লাইবু লুখাক চাহল্লি-কংলৈ নিংথৌ চহীগী লাঃ ৩ য়েংবীয়ু। ) শজিবুগী চৈরাওবগী থৌরম মীতৈগী চহি হৌবগী থৌরম নত্তে। চরক পুজাগা মান্ননা শজিবুদা চহি হৌহন্নবা নমদুনা চৈলাওবা পাংথোকহ্নবগা লোইন্নবা, তুংগী মীরোলনা মীতৈদি শজিবুদা চহি হৌই হায়না খনখিনবা হিন্দুনা নিংথৌ ওইরবা মতুংদা হিন্দুগী হৈশিংবা শাবা (Fabricator) শিং অদুনা মীতৈগী পুয়াগী মমিংদা 'পোম্বীলাং' হায়বা অমা, মীতৈগী পুয়া পুন্নমক মৈ থাদোকখ্রবা মতুংদা শেমজিল্লম্মি। ( কংলৈচা মীতৈগী 'পোলপী লাং' হায়বা পুয়া অমা লৈরমই। মদু পুয়া মৈ থাবদা য়াওখ্রে। মদুদগী শিহ্নোকহৌবা লাইলীক পুয়া অমা ঙসি ফাওবা ফংবা ঙমদ্রি। ) শেমজিন শাজিনবা লাইরিক (Fabricated imitation book) অদুনা অশেংবা পুয়া অদু মপানথোংদা মালহল্লবসু, মুন্না মনুং হ্নৎনা য়েংশিল্লকপদদি, শেমজিনখিবা ওইবগী অরান্নবদু হোত্রোং হোনা উই। শেমজিনবা পুয়া মালহ্নবা অসি নিংঙোম্বা মনিজাওবা সাহিত্য শিরো মনিনা 'মইহৈতে', ময়েকতগী শিহ্নোক্তুনা ১৯৭৫ দা ফোংবিরম্বা 'পোম্বী লাং', নৈনদুনা মীয়ামদা উথ্চবনি। শেমজিনবা, শাজিনবা পুয়া মানবা অসিদা —



মপানা থা ২ অদুগা মমানা থা ১০ নাউপুইদি হায়রগা, মমানা থা ১২ নাউপুদুনা ইরি, লৌখৎপা য়াদনা লাল্লি। পোম্বী লাং লাইরিক অসিগী অহৌবদা য়াওরিবা হুঙ হুঙ অতিংকোক, কৌপরু, শীমরী, চক কারসি, চক কুমপঙ, মালেম, অসিনচিংবা মফম মরাং খংদবা লোন্দা পুদা অদু মীতৈনা করিগুম্বা মতমদা লোল্লম্বা লোনগী মওংসু নত্তে।

মথকতা পনজখিবা ' পোম্বী লাং পুয়া' গী লামাই ৭ কী (Zerox copy) অমা মখাদা পীজরি। য়াম্না মুন্না য়েংবিয়ু, পাবিয়ু।

পোনবী-লাং ৭

সনা য়ী অসে নঙ্না লোইদাম্ থাবুম্ তরাবু লুম্নৌ-ও" হায়না শিন্নরে। নীঙ্থীনা, লৃ-হেল্লবা য়ী অদুবু লোইদাম্ থাবুম্ তরা চুপ্না লুম্নৈয়ে হায়বগী "থংলেল্ য়ীরম্বী", হায়না কৌইদো, হে—লুৱাং ॥৩॥

থাজনা, থাজলেং, থান্নুংশি, থানৌতোন, থয়ায়লেল্ কুপ্ সনা, কুপ্নরেং, থানৌতোন্ থান্নুংয়ায়, লৈথম্পা, লইন্নুঙ্য়ায়, য়াইথৃতোল্, শাৱোল্ লেংনা কোয়্না সনা ঙাল্লে ॥৪॥

হন্দোক্পা :—

মপন পনগৌ মপানা লোইদাম থাবুম্ অনী চঙ্না সনা য়ী অদু পুরগা মহীনগী মহীরেল্ অদুবু পলুলেম মমাগী খোয়্জী খাগী ফৃহীঙ্-ঘুংদা হইরাঙ্ মমী তম, তাউ হিং মরু পন্, তাঙ্জ মরু তাখিরববু (১) অহাঙ্বা অতিয়াদা পাইদুনা লৈরিবা লৈচিল্ শেন্ক্রাকুম্ নোংফাইগুম্না মওঙ্ মমি তম্দনা য়ীফা ফানা, য়ীচয়া চাইনা তাহুনা লৈ; অদুবু "তরঙ্" হায়না তেংথানৈ। অমদি থম্খিবা সনা য়ী অদুবু তাইবঙ্ হক্চাং রোইননবা থম্খিবা অহান্বা থাজ অদূগী মমিংবু "শজিফু" হায়না কৌয়ে। লোইদাম্ থাজ অদূগী কোলোয়্ মমিংথোন্বু শজীফু কৌরিবনো? হায়রবদি তেংপান্বা মপূগী নোংলম্ থোদাখোল্ মতুঙ্ য়িনুনা য়াম্না য়ানা মতম্ চঙ্না থৌশীল্ থোরাঙ্দূনা শেম্গৎলকই শাগলকুই হাক্বগী শম্ হক্চাংবু "শা" কৌয়ে। শা মহাক্পু রোইনৱা মহীরেল্ অরুবা

১। খোয়্জী-খাগী ফ হীঙ্-সুংদা হইরাঙ্ মমী তম, তাঙ্জ মরু

মথক্কী নিংঙোম্বা মনিজাওবগী 'পোম্বী লাং' গী লামাই ৭ অসি পাবদা মপা পঙ্খৌনা থা ২ নাওপুরগা, পলেম ওইবীগী হকচাং নুংদা নাউ অদুবু মপুং ফানা তাইবংমী ওইনা থোরক্লবা থমখিবা অহানবা থাবু 'শজিফু' কৌই হায়না শেংনা ইরি অমসু অপাবা খুদিংনা মুন্না খংবিরমগনি। মসিগী ৱাফমসি মথংগী লামাইশিং পাবিরগা অমুক হেন্না মুন্না খংবিগনি।

মথংদা মনিজাওবগী পোম্বী লাং গী লাঃ ১৩, ১৫, ১৬, ১৭ কী (Zerox copy) শিং অসি অমুক য়েংবিয়ু।

পোন্‌বী-লাং ১৩

লৈরিবা অদূদী অৱাং কোৱৌ অৱাঙবদা লৈরিয়ে। অদূদী নঙনা চৎকদবা লমবী নথতে; কোকপীরেল অদূনা ৱাবা লমবীরোমদা চিংথদ্রুনা নাউৱা নঙবু লুনাউ রোনথখিরো' হায়না তাকপিরবদা। নাউৱা অংগো অদ্‌না কোকপী লুরেলনা ৱাবা লমবীদা চিংথখিদ্রুনা ওনথরকলে, চিংথরকলে হায়রবগী লোইদাম থাজ অদ্‌গী কোলোয় মিংলেলবু ৱাবা "ৱাক্‌চিং" হায়না তেংথানৈয়ে। নাউৱা অংগোনা লুনাউ রোইরকলবদা, তেংপানবা মপূনা, "হে – নাউৱা অংগো-ও ! মালেম মথোঙজীনদা লোইদাম থাবুম অমা চ্‌প্‌না "হংঙা" মিংলেল্ অথোয়ববু শোল্‌লদ্রুনা, ফাইদ্রুনা লৈগদবনে" হায়না নাউৱা অহনা লেলখিবা লোইদাম্ থাজ অহ্‌গী কোলোয় মমিংবু ফাইরে "ফাইরেল্" হায়না কৌয়ে।

ফংনবদা মীকী লোমসি।(৬) য়াইবী থৱায় মঙা তোঙশাদা থমমু-ও। মন্‌ঙদা থমগদবা থৱায়না "লাইজ ঈশিংদগী লাইয়িংথো হনবা। য়ালং থুংশিংতগী মুৱা নিংথো। থামবী মইদগী থংচীঙ্ নিংথো। কোৱৌদগী সরালেল্। মালেমদগী লাবা নিংথো" মঙামা অসী অশীবনা মপা শিদবগী য়াথং মতুঙ য়িননা লৱাই লেলফ্‌দা ৱোয়গী থ্‌ংনীংথোনা নমফাৎলগা পুশিললে। লাইপক খেল্লাই থোঙদা পীঙম্ লাংসূম-থক, লিরেল কাঙকৈ থকতা ন্‌ঙবী নম ঙানানা কোৱৌদগী সরালেল্‌দো "হংসো পনম্" কৌনা য়াতাহললে। নোংশিংতগী মুৱা নিংথোদো য়েংকী পামবোম মরূদা থমলে। য়ীশিংদগী লাইয়িংথো হনৱা থোয়দো মথাগী নুংচেং লাইজ পললেম কোনদা তাউৱোইনাইগী সয়াঙদা য়াতাহললে। মালেমদগী



পোন্‌বী-লাং ১৫

হয়ি কোল্‌লোয়্‌বী, নাউৱা ৱূৱা ৱুফোং ৱাঙ্‌না পল্‌লেম্ থরই ক্‌ম্‌পা। নাউৱা থিংঙেন্ ৱীনম্‌থায়্, হে তেংপান্‌বা মপূ হিংচা য়াইতম্‌বা, ঙা শরোয়্, মালেম্ চা মকোয়্ ॥৫॥

হন্‌দোক্‌পা :–

"পারী কুরুম্ লইকোয়বা, হে—নাউৱা ! নাউৱা অঙাং অদ্‌না লোইদাম থাবুম তৱা অদ্‌না শুরবদা তেংপানবা মপূগী কোলোয় মপাউখোলবু নাউৱা অংগোদা পাউমেললকই; "হে—নাউৱা অংগো-ও ! হৌজিকতি নঙগী য়ুমিৎ থাবুম মশীং শুরকলেদো, তাইবঙ মালেম অঙালবদা ফাওখরো। নাউৱা নঙনা ফাওরবদি পললেম নমা পোকমাবী অসীবু অমল থরই কূমলগনীয়ে (১) নঙ খোকলো, চৎলো" হায়রবদা। নাউৱা অংগোনা হীকনা হীকনা কপলদ্‌না হায়রকই; "হে – মপূ শিদবা-ও ! তাইবঙ মালেমদা খোকলো, চৎলো হায়রিবা অসীবু হিংচা য়াইতমবা, শারোয়—ঙারোয় ফৎতবা য়ামনা লৈ হায়না তায়য়ে। নাউৱা অসুমনা থাবুম তৱা শুরদ্রুনা(৮) তাইবঙ্‌পান ফাওরবদা, লোইদাম থাবুম অহুম ফাওবদি হয়ি হয়া অনীগী মিংলেল-মিংখৈ অনীবু পায়রময়ে। পল্‌লেম মমানা তারা চাকয়িল তমবদগী অপক মঙা তারা চাকতা চঙখিবনা মখুৎ তিংথোকতুনা মপূগী মিংলেল অথোয়ববু থাদোকখরে।" অসুম্ হায়নস্ য়াওরি।

১। অমল থরই কূমলগনিয়ে = শিরগনিয়ে।

রোইবা ঐদী থোকপা ঙমলোইয়ে" অসুম হায়রবদা। তেংপানবা মপুনা "হে—নাউরা অংগো ! নঙদী থোকতবদি য়াদেয়ে। অদুবু করি তৌরগা কিরোইদগে, ঐঙোনদা হায়য়ু" অসুমনা তাক-পিরবদা। নাউরা অংগো অদুনা হায়রকই; "হে—মপু শিদবা ও ! নাউরা ঐনা মালেম অকোয়বা অসীদা হননা য়েংবদা, অশুম খললুবদা য়ীবুঙঙো নহাকপু নৎতনা ঐগী হায়বা কনা হননা লৈতেতয়ে। য়ীবুঙঙো নহাকপা লে'য়নদুনা অঙাই তাইবং অহদা থোকলবদা নাউরা ঐদী কিররোইয়ে" অসুম হায়না হায়জরবদা। মপু শিদবনা হায়রকই; "হে—নাউরা ! ফরে অহদী নঙগী শমু খুৎজেঙ্ পায়দুনা ঐনা মাঙ্ থারগা য়াংলো লমজীঙ্বীগে, লাউ, চৎলশী; থোকলশী" হায়নদুনা তেংপানবা মপুনা নাউরা অংগোগী শমু খুৎজেঙ্ লাকনা পায়না পুথোকপিরকলে। মালেম অঙালবদা ফাওকলবদা; তাইবঙ মপু শিদবদি মী, লাই রুবা য়াদবনা পোংখু অংগোগী শমু হকচাং-হুংদা ফিদুপ অহুমমাদা থপুনা, তাশীননা লৈখরে। নাউরা অংগো অদুনা য়েংলকপদা অশায় মখইদী রুরমমি, হৌজিকতি রুথিদরে হায়দুনা লহান নোংদা তেংপানবা মপু শিদবনা তাকপিরকপা কোলোয় "হংঙা" মিংলেলবু তৎতনা শোললদুনা কৌনা কপলকলে॥৫॥





মালেম্ চা মকোয়্, চীঙঙ্ কোলোয়্ শারা শঙল্, অম্না য়াঙ্না লইনা মম্, হয়ি য়ীরেল্ লুথং। নীঙ্নাকে য়োরেল্, শেরেল্, নায়োং নেলেল্, হয়ি লু শরী॥৬॥

হন্দোক্পা :—

" মালেম্ অকোয়্বা অসীদা চীঙঙ্ নয়াথংনা চংলসি, থোক্লসি, লাউ হায় বীদুনা ঐগী খুৎজেঙ্ পায়্দুনা, নাউরা ঐগী য়ীমাঙ্ থানা লম্জীঙ্বীরক্পা নংতবরা ? ঐ লৈয়ে, নঙ্বু ঐনা শেম্বীগনী। হে — নাউরা ! রাগনু; হয়ি মিংলেল্ অথোয়্বা শরী রাশক্ মশক্ খঙ্না চেৎলো হায়না তাক্পিরগা ; হৌজিক্তি কদায়্দা মাঙ্থোক্থরে ; কদায়্ !" হায়না নাউরা অংগো অদুনা খুদুম্ শীঙ্না মপুগী খুৎজেঙ্ পায়্বগুম্ নাউরা থম্মোয়্ থীৎনা কপ্লক্লে। হে—নাউরা লইকোয়্বা ! অসুম্না তাইবঙ্ মপু শিদবদি শমু হক্চাং-হুংদা লৈখিয়ে। মরম্ অসীদগী লোইদাম্ থাজ অদুগী কোলোয়্ মমিংবু লমদা তারে "লমতা" হায়না তেংথানৈয়ে। মরম্ অসুম্না হওরক্তুনা পোকপা হায়বা অসীবু তেংপান্বা মপু মহাক্না কয়া রানা, মতম্ চঙ্না শেম্বীরক্পনো ? ঐগী হওরক্ফম্, শাৎফম্ থঙ্দবা মীদি মী কৌদে; কাউরেল্ যণগী মমইগা পান্দম্নৈয়ে। মী অফবা মী অথোয়্ মীহেন্বনা ঐ অসীবু কদায়্দগী হওরক্-শাৎলক্লিবনো হায়না তেংপান্বা মপু মহাক্পু মশক্ থঙ্নবা অহীঙ্, হুংথিল অনীমক্তা অকাওবা লৈতনা থিনরিয়ে। মরম্ অসীবু লাই-নীঙ্বা থাক্ অরাঙ্বা হায়্বা অদু অসীবু কৌবনে। অসীবু

লাঃ ১৩ গী Zerox অসিদা তাইপং লমজাওদা থোরক্কদবা নাউৱা অদুনা লুনাউ ওনবা থাবু 'ৱাকচীং' অদুগা লুনাউ ওন্দুনা পলেম মমাগী তাইবং থোংজিন্দা ফাইদুনা লৈবা থাবু ' ফাইরেল' কৌই হায়না শেংনা ইরি। অনিশুবা লাঃ ১৫ গী Zerox অদুদা শেংনা উৎলিবদি ফাইদুনা লৈবা থা ফাইরেল লোইরবদা তাইবং পানপা মপুনা অঙাং নাউৱা অদুদা নহাক নুমিৎ থা শুরে পলেম নমাগী থোংদগী তাইপং লমচাওদা চৎলো হায়বসিনি, লাঃ ১৬ কী Zerox অসিদা উৎলিবনা, পলেম পীপুকনুংদদি তাইপং পানপা মপু অদুগা লোইনদুনা লৈরম্বনি, অদুবু মপু অদুনা 'নং মপান থোকলো, নত্রবদি নমা শিরগনি', হায়রকপদা, অঙাং অদুনা তাইপং লমচাওদি হিংচা য়াইতম্বনা থল্লি নং য়াঙ্গ্রবদি থোকপা ঙমলোই হায়রকপদা, তাইপং পানপা মপুগা নাউৱা অঙাংগা য়ানদুনা, তাইপং লমচাওদা মপু মানা খুৎচেং পাইদুনা লমচিং পীরগে হায়দুনা তাইপং, লমচাওদা মপু মাগা নাউৱাগা থোকমিন্নরকপনি। মপু মাগা নাউৱাগা অহানবা পলেম মীপুকনুংদগী থোক্লকপা থা, নাউৱানা অহানবা তাইপং লমচাওদা তাবা থাবু 'লমতা' থা কৌই হায়বসি অরোইবা লাঃ ১৭ গী Zerox অসিনা তশেংনা উৎলি।

মথক্কী শেমজিনবা পুয়া 'পোম্বী লাং' অসিবু মুন্না পাবদা খংলিবদি পলেম ঈমা ওইবীগী হকচাং নুংদা 'শজিফু' (করিগুম্বা শেমজিনবা লাইরিক খরদা শজিফোই কৌই, পুয়াদনা সাচিফু ) থাদা অহানবা ওইনা থমখিবা নাও অদুনা তাইবংমী মপুং ফারক্তুনা পোক্লকপা থাবু লমদা তারে ' লমতা' থা কৌই হায়বসিনি। মসিদগী ঐখোয়না অমুক শেংনা খংলিবদি ' শজিফু' থাদা পলেম মমাগী হকচাং নুংদা চংখিবা, হকচাংনুংদা থমখিবা নাও অদুনা তাইবংমী মপুং ফারক্লদুনা পলেম মমাগী

**পোম্বীলাংদা মমানা থা ১২ নাও পুবা**

হকচাংনুংদগী মপান থোক্লকপা, তাইবং লমজাও তারকপা, পোক্লকপা থাবু লমদা তারে 'লমতা ' থা কৌই হায়বসিনি। মসিদগী ঐখোয়না অমুক মুন্না খংলিবদি শজিবু, কালেন, ঈঙা, ঈঙেন, থৱান, লাংবন, মেরা, হিয়াঙ্গৈ, পোইন্নু, ৱাকচীং, ফাইরেল, লমতা ( পোম্বী লাংগী মতুং ইন্না ), তাইবং ফাওরক্কদৌরিবা তাইবং থৌৱাই নাত্ত অদুনা পলেম মমাগী হকচাংনুংদা থা ১২ লৈরে হায়বসিনি। হৌজিক্কী মতমগী Science নসু য়ারবা, মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা চহি লিশিং মরিগী মমাংদগী খংলম্লবা মপা ওইবনা থা অনি নাও পুরগা মমা ওইবীদা শিন্নে, মমা ওইবীনা থা ১০ অমুক নাও পুরগা তাইবং লমজাওদা তাইবং মী মপুং ফারদুনা থোক্লকই হায়বদু 'পোম্বী লাং' দদি



মাংখ্রে। ফজরে ময়েক ৩৫ দা ইবা 'মইতৈ ময়েক 'তগী শিন্দোকপা 'পোম্বী লাং '।

'ময়েক্লা তাবা' হায়বা ৱাফমগা 'নোংপোক থোঙ হাংবা' হায়বা ৱাফমগা য়াম্না মরি লৈনৈ। কংলৈপাক (মণিপুর) দা লৈবা মশাবু 'মৈতৈ' হায়না কৌজনিংবা মীওই কাংলুপ অমনা করিগুম্বা তানজা অমা হেক

**নোংপোক থোঙ হাংবা**

ফংবদা মীতৈগী, কংলৈপাক্কী পুৱারী, ৱাখল্লোন কয়াবু লাম্না ৱাহন্থোক পীনবা, কংলৈ মীয়াম্বু লাম্না লমজিংনবা হোৎনবা লেপ্পা লৈতে। হন্দক ভারতকী ললোনবগী (Look East Policy) বু কংলৈপাক্কী নোংপোক থোঙ হাংবনি হায়জিল্লকপা অসিসু অমনি। মীতৈগী পুয়াগী ৱাহন্থোক শুকখং খংদবা কাংবুসু ভারতকী (Look East Policy) পুয়াদা য়ুমফম ওইবা নোংপোক থোঙ হাংবনি হায়জিল্লকই। খঙদনা অখঙ অহৈ শাবা, ওইরোইদবা ৱাফমবু অচুম্বা শাদুনা ঙাংবা ঈকাইবা খঙদবগী ৱানি।

কংলৈপাক্কী অহাম্বা হিন্দু নিংথৌ পামহৈবনা ( হিন্দুশিংনদি গরিবনিৱাজ, গোপাল হায়নসু কৌজৈ ) খৃঃ ১৭০৯ ( ইংলিসকী অইবশিংনদি ১৭১৪ দনি হায় ) দা কংলৈপাক্কী নিংথৌ ফম্বাল কাই। মহাক্লা নিংথৌ হেক ওইবগা শিলেট মাইকৈদগী লাকপা হিন্দু ধর্ম্ম শন্দোকপা সান্তিদাস গোশাইনা মহাক্কী ধর্ম্ম গুরু ওই। মহাক্লা নিংথৌ ওইরবা মতুং খরা লৈরগা কোনুংদা লৈবা অমসু লনাই মীওইদা লৈবা কংলৈপাক্কী পুয়া অমসু অইবা Record পুন্নমক নিংথৌগী পাঙ্গল (Royal Power) শিজিন্নদুনা লোইনা মৈ থাদোকখি। হৌফম শাৎফমগী অইবা Record পুন্নমক মৈ থাদোকখ্রবা মতুংদা, কংলৈপাকপু মহাভারতকী মণিপুরনি হায়জিন্দুনা লৈপাক্কী মমিং মণিপুর হায়না ওম্থোকই। কংলৈপাকতা লৈবা মীতৈশিংবু আর্জুনগী চাদা নাওঅনি হায়জিন্দুনা মীতৈগী ওইনা

**মৈনা ৱাই তাংনা শম**

শেংনা লৈবা সালাই মচাশিংবু গোত্র ৯ গী আর্য্য হিন্দুনি হায়জিল্লি। মীতৈশিংদা মীতৈ ময়েক মুথৎলগা বেঙ্গলী ময়েক শিজিন্নহল্লি। মীতৈশিংবু নমদুনা হিন্দু ধর্ম্ম চৎহল্লি। মসিগা লোইন্নবা হৌফম শাৎফমগী অইবা পুন্নমক মৈ থাদোকখ্রবনিনা, পুয়াগী মমিংদা হৌফম শাৎফম, পুৱারী অসিনচিংবা পুন্নমক হিন্দুগীদা শমজিল্লগা শেমজিল্লি, মসিবু মীতৈ মীরোলনা ' মৈনা ৱাই তাংনা শম ' হায়না খঙনৈ। ঐখোয় পুন্নমকনা কংলা মনুংগী 'নুংশেং ঈকোন' ( হৌজিক্কী শোইনাইরবা মমিং ' নুংজেং পুখ্রি ') অমসু

লিলোংদা নমদুনা ‘ হিন্দু ধর্ম্ম থাদোক্লবদি ঈ ওদুনা পুনসি পীখগনি ’ হায়না ৱাশকহনবা ‘ নোংখ্রং ঈরুপ্পা ’ কৌবা থৌদোক খংলবনি। শিরগা মৈ থাহল্লি, অষ্টী হায়বা থৌরম অমা শেমজিল্লগা মীতৈগী লাইপকতা থাংনা য়ান্দুনা শরু মচেৎ অমা লৌথোকলগা ময়াং লৈপাকতা লংথোকই, লীচৎকী থৌরম খুদিং ময়াং মরোলদা পাংথোকই। শন্না হায়রবদা মীতৈবু নোংচুপকী ময়াং পুমওন ওহোকই। পামহৈবা গরিবনিৱাজগী মতমদা তৌরিবা মথকতা পনজখিবা কয়া, অসিনচিংবা পুন্নমক অসিবু মীতৈ মীরোলনা ‘নোংপোক থোঙ থিংবা’ কৌই।

**নোংপোক থোঙ থিংবা**

নিংথৌনা নমদুনা তৌবা পুন্নমক লৈপাক্লা য়ারক্তবদগী, তেশিন্নবা অমগী মওংদা মীতৈ মাইচৌশিং, লৈপাক মীয়াম, পামহৈবা অমদি শান্তিদাস য়াওনা ‘মপোক ৭ কী হেক নোংঙানবদা মীতৈ লীচৎ হনজিনগনি’ হায়না ৱাশরুখিবা হৌজিক্কী মীতৈ মীরোলনা খংলবনি। ৱাশরুখিবা মতুং ইন্না পামহৈবগী মতমদা ৱাশরুখিবা মফম লিলোংদা ‘নোংখ্রং পরৈ হনখ্রবনি’। নুমিৎ অদুদগী ঙসিফাওবদা মীতৈ খুদিংনা পামহৈবা কনানো মশক খংবা হৌরকলে, মীতৈ ইংয়েক চৎপা হৌরকলে, পাক চাওনা ময়াং ধর্ম্ম থাদোক্লরকপগা লোইন্ননা, মীতৈ নোংপোক মচানি, নোংচুপ মচা নত্তে, সালাই লাইরেল ( খ্বাইদগী ৱাংবা লাই ) গী মচা মশুনি খংনরে। তুখোং, খোংবাল লুকলাং, পাৎ তুরেলদা লৈবা লিন্নাওগী মচা নত্তে হায়বা তশেংনা খংনরে। পামহৈবগী মতমদগী হায়জিন্দুনা, শেমজিনদুনা, তৌশিন্নদুনা, নমদুনা নোংপোক থোঙ থিংখিববু কাওথৎতুনা সালাই মচা, নোংপোক মচানি শেংনা খংলক্তুনা মীতৈগী অরিবা লীচৎ হনজিল্লকপবু ‘নোংপোক থোঙ হাংবা’ কৌই। নোংপোক থোঙ হাংবা হায়বসিদি ‘মপোক ৭ হেক শুবদা’ মীতৈ লীচৎ হনজিনগনি হায়বা ৱাফম, পামহৈবগী মতমদা ৱাশরুখিবা অদুদগী মীতৈ মীরোলনা ঙাইদুনা লাকপা মীতৈগী পুরারীগী শরুক অমনি, ২১ শুবা চহিচাগী ভারতকী (Look East Policy) গা করিগুম্বা মরি অমতা লৈনদে মসিগী মতাংদা অইবনা ‘পুরারিগী খোংচত্তা ’ হায়বা ৱারোলগী মখাদা ‘ নোংপোক থোঙ হাংবা ’ হায়বা হিরমদা ২০০২ গী August অমসু September ফিদমফম মেগাজিন্দা কুপ্পা ইজখিবা অদু য়েংবিয়ু।

মথংদা হৌজিক কংলৈচা সালাই মচাশিংনা পাবিগদৌরিবা পুয়া অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা ইংয়েক (ময়েক ) ১৮ দা ইরম্বনি। মসিদা মীতৈগী হৌফম, ঈগী ঈরম ওইরিবা সালাই ৭ কী মতাংদা য়াম্না শেংনা ইরি। তাইবং মালেমদা



মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা য়াম্না লেন্না ৱাখল ৱাংনা পাল্লম্বগী মশকতু তশেংনা উগনি। মীতৈশিংনা লাইলীক অসি পাবিবা খংবিবা নুমিৎতগী ময়েক্লা তাবা অমসু ময়েক্কী ৱায়েল লাক্লবনি, নোংপোক থোঙ হাংবা করিনো শোয়দনা খংবিরগনি অমদি নোংপোক থোঙ শোয়দনা হাঙলগনি।

মখাদা য়েংবিয়ু, নুমিৎ থানা মুৎত্রিবমথৈ য়াম্না চাওনা কংলৈচাশিংগী মতেং ওইরগদবা, লৈখিদ্রবা মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা কংলৈচাশিংগী মফমদা পীরম্বা মমল নাইদ্রবা পুয়া, ৱাকোকলেন হীলেল থিলেল সালাই অ·মাই·লোন পুকোকঃ

ৰাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই
অ·মাই·লোন পুকোক পুয়ানে
লেপনা খঙপীও ।।০।।

## ব়াকোকলোন হীলেল থিলেল সলাই অ·মাই·লোন পুকোক পুয়া

পুয়া অ·সি নিংথেম পামহৈপা হাকথকতা সিনথোকপনে। লেপনা খঙপীও। পামহৈপা নিংথেম হাকথক ফাওপতা। মলিয়াফম পালচা চৈহি কুমসিঙ লী চৈসিঙ চৈচত ৩১০৭ সুলাপানে। চৈহিকী কুমহৌ অ·হানপা নুমিততকী সিনথোকপা হৌপনা। নুমিত ১৫ নি চঙনা ব়াকচীংকী থানিনতা লোইয়ে। লাইলীক অ·সি মাঙপা য়াতাপনা। চউপা ঐনা সিনথোকহৌপনে। লাইলীক অ·সি ই·নুঙ ই·য়েক। ই·খুনুঙ্ ই·য়েক। সুপলাপা হৌফমকী পুয়ানে। লেপনা খঙপীও ।।০।।

### ব়াকোকলোন হীলেল থিলেল সলাই অ·মাই·লোন পুকোক পুয়ানে। লেপনা খঙপীও।

ও৽ হুঙ। হৈ। হা। হে। খোইয়ুম লাইনিঙথৌ। অ·তীংঅা কোইলৌ সিতাপপু খুলুমনা ইচাকে। হুচীকতি তাথীপীকুনো। ই·য়েককী। চকপালোনকী। ব়াপু হাইচকে। হৈ-চক। হা-চক। কোন-চক। লাং-চক। চক মলি অ·সিকী ব়াপু সিতাপা মপু। ই·পুঙলোইনপা মপুনা। নুংপুঙ ব়াখনতকী মালেম লৈসাপু ই·নুংপুঙতকী ফুকখত চিংখত থাংখতলকপা মতমতা। নুংপুঙ ব়াখনতকী থোকখিপা —(ব়াকোকলোন হীলেন থিলেল সলাই অ·মাই·লোল পুকোক) পুয়ানা খাকপা লৈতনা। অ·মতি চক মলি অ·সিকী মথকতা

ওইঙমখিপা। অ·মতি চক মলি অ·সিকী মনুঙতা ওইঙমলকপা কয়াকী মালমপু অ·পোই-ননা মচা মাইচৌপু বালি লীপিও হাইনা লৈপাক মীয়ামকী নিঙথৌনা। মাইচৌ মালিকী অ·মাতি অ·পোই-ননা মচাকী মফমতা বাকতচৈয়ে।।০।। ননা ম·হইচৌনা বালি লীয়ে - - - চকপালম মচা মাইচৌনা লাইকী চৈ থাপিয়ে । অ·তুকা ম·হইচৌ অ·হুমসু তাপীও ১ তি লুবাঙচম মচা ম·হইচৌ । ২ তি বাহিঙপম মচা ম·হইচৌ । ৩ তি চীনকাঙপম মচা ম·হইচৌ। ৩ আসি য়াউনা কংলৈয়োনতা মেনতা সংকুপলৈ মখোঙতা ফমপাল লাংলিঙৈতা বাকোকলোন ১তি বাহৌলোন ২ তি ই·নুঙলোন। খুনুঙলোন। অ·সি খৈপীককী বাপু মঙাঙ সলাই·ই·কী লৈসংলেল অ·সং ঙাসাপা নিঙথৌকী বালি লীখুনপু ননা ম·হইচৌনা। মাইচৌ ৪নে। লৈপাক মীয়ামনে। অ·সি খৈপীককী মফমতা হাইলকলে ।।০।। হে নিঙথৌও ! নপুক পিনা নাকোং থননা তাউিও হাইলাপনে । তিংপালপাকী মপু ই·পুঙ লোইনপা অ·পকপনা তলঙ ওইনা লৈলিঙৈ। তিংপালপা অ·মাকী মওংপু লেপতালিঙৈ। মৈ। ই·সিঙ। নুংসিত। নুমিত। থা। থৌবাইমিচাক। অ·মম অ·ঙান খাইতালিঙৈতা পুমনমকনা লৈতালিঙৈতা মথননা ওননা ওননা। তলঙ মালঙ ওইনা সাইওনতুনা লৈলিঙৈতা। তলঙ অ·তিঙপাপু ই·পুঙ লোইনপা অ·পকপানা। তলঙ মালঙনা ই·ম ওইনা হাইনা হুমনা অ·সুমনা লৈলিঙৈতা মালেম। নোংথৌ মনুং ওইনপা সেমকে নিঙ্গলকলে । ৎ৹ (অ·মা) হ·হইলিপা মপুনা তলঙ মালঙ ওইনা হাইনা হুমনা লৈলিঙৈতা। মপু সিতাপকী নু·ংপুঙ বাখননা ই·নুং পুঙতা লু·পখিতুনা মালেম লৈসাপু ফুকখত চিংখত থাংখতলকপা মতমতা ই·নুংপুঙকী সাইওননা কামপী। লাইচা। মালঙপা চোংথোকলে । মালেম নোংথৌ ই·য়েক মওং লেপখলে । মালেম নোংথৌ অ·নিনা উয়ুংচৈ ওইনা লেপখলে । উয়ুংচৈ



মনুঙতা তাইনপা মলকতা কামপী। লাইচা। মালঙপা চ·হইনলে । মৈ । ই·শিঙ। নুংসিত অ·সুম ওইপা মওংপু ই·পুঙজোনা ওননা-ওননা সাইওনলে ।।০।। ৎ৹ (অ·মা) লৈপা মলমনা ই·নুঙলোননা কামপী হ·হইনা কৌখলে। খুনুঙলোননা মৈ। হাইনা হাইখলে । ২তি ই·নুঙলোননা লাইচা হ·হইনা কৌখলে । খুনুঙলোননা ই·সিঙ হ·হইনা হ·হইখলে । ৩তি ই·নুঙলোননা মালঙপা হ·হইনা কৌখলে। খুনুঙলোননা নুংসিত হ·হইনা হ·হইখলে । ৪তি ই·নুঙলোননা মালেম হ·হইনা কৌখলে। খুনুঙলোননা লৈপাক হ·হইনা হাইখলে । ৫তি ই·নুঙলোননা নোংথৌ হ·হইনা কৌখলে। খুনুঙলোননা অ·তীংঅা হ·হইনা হ·হইখলে । ৬তি ই·নুঙলোননা কোইলৌ হাইনা কৌখলে । খুনুঙলোননা নুমিত হাইনা হ·হইখলে । ৭তি ই·নুঙলোননা ই·হিলেল হ·হইনা কৌখলে। খুনুঙলোননা থাচা হ·হইনা হ·হইখলে । ৮তি ই·নুঙলোননা থৌবাইমিচাক অ·পকপা ওইপানা পু অ·মা কৌখলে । খুনুঙলোননা থৌবাইমিচাক পী মলিক সিতপা চৈওন তলেত হ·হইনা হ·হইখলে । ৯তি ই·নুঙলোননা সাচিকনু হ·হইনা কৌখলে । খুনুঙলোননা সাচিক হ·হইনা হ·হইখলে । ১০তি ই·নুঙলোননা থাপাতোন হ·হইনা কৌখলে। খুনুঙলোননা থাপা হাইনা হ·হইখলে। ১১তি ই·নুঙলোননা খোঙচোম হাইনা কৌখলে। খুনুঙলোননা নুপী হাইনা হ·হইখলে । ১২তি ই·নুঙলোননা সাচুং হ·হইনা কৌখলে। খুনুঙলোননা তিলহৈপা হ·হইনা হ·হইখলে । ১৩ তি ই·নুঙলোননা মোংকা হ·হইনা কৌখলে। খুনুংলোননা সলংকা হ·হইনা হ·হইখলে। ১৪তি ই·নুঙলোননা ওকপুলোই হ·হইনা কৌখলে। খুনুঙলোননা তাউিহুইলেং হ·হইনা হ·হইখলে। ১৫তি ই·নুঙলোননা লৈ·চিন হ·হইনা কৌখলে। খুনুঙলোননা নোংফাই হ·হইনা হ·হইখলে । ১৬তি ই·নুঙলোন খুনুঙলোনা চুমথাঙ হ·হইনা হ·হইখলে ।

১৭তি ই·নুঙলোন খুনুঙলোননা নোংথাঙ কুপপা হ·াইনা হ·াইখলে । ১৮তি ই·নুঙলোনা খুনুঙলোননা নোংথৌ খোংপা হ·াইনা হ·াইখলে । ১৯তি ৎ° (অ·মা) হাইলিপা ই·পুঙ লোইনপা অ·পকপানা থৌরাইমিচাক চৈয়োম ৭পু ই·নুঙলোন খুনুঙলোননা চৈওন ৭ হাইনা হাইখলে ।।০।। অসুম ওইলপা সাইওন লাঙওনকী ই·য়েক। ই·নুঙলোন খুনুঙলোন । অ·সি খৈপিকতি ই·পুঙ লোইনপাকা অ·মততানেঃ খঙপিও । ৎ° (অ·মা) হাইলিপা সিতাপা মপুকী হুকসাং লাংপুমকী ই·পুঙ কায়াতকী লাইফম লাইমিং মফমনে লেপনা খঙপিও । অ·সিকী মতুংইননা লাইপুঙথৌ ৭কী ই·য়েক পাথাপ কাইতনা ১তি নোংপোক চীঙখৈ অ·পানপানে। ২তি অ·রাঙপা কৌপালুনে । ৩তি থাংচীঙ কোইলেল লাই সিতপানে। ৪ তি খানা চাউপা রাঙপুলেল লাই সিতপানে। ৫ তি ই·লাই পুলেল পুলিঙ লাই সিতপনে। ৬ তি লাইনিঙথৌ পাংকলপানে। ৭তি সলাইলেল সিতপাঃ ৭না লাইপুঙথৌনে । ৮ তি কোনসেন তুলৈসেংপা সনা ই· মহীনে। ৯ তি মী খলৌপনে। ১০ তি কোনচীন তুকথাপা ই·পু অ·থৌপা পাখঙপানে । অ·সুম তৌনা থাপুঙ ১০ পু সীঙথাফম ওইনপা ই·পুঙ লোইনপা অ·পকপানা সাইওন পুথোকতুনা মালেম লৈসাপু ই·নুঙপুঙতাকী ফুকখত চিংখত থাংখতখিয়ে হাইপকী থাংচীঙ হ·াইনা কৌখলে ।।০।। ১ (অ·মা) তি মী খলৌপাপু য়েংতুনা লাইনিঙথৌ লাইলেলমা অনিনা সমু মাইওকননা সানা ফমপাল লাংতা ফমতুনা হৌলকপকী সাইওনকী মতুংইননা লাইমিং ১৮ অ·সিনা তিংপানপাকী কয়াত লাইফম অ·মা লেপখলে । তিংপানপা ১ (অ·মা) কী কায়াতকী লাইমিংপু তাইপঙপালপা ১ (অ·মা) কী কায়াততা ই·নুঙলোন খুনুঙলোনকী ই·নুঙ ই·য়েক। খুনুঙ ই·য়েক হ·াইনা। ই·য়েক ই·পী লাইয়েক অ·সিকী রালি লীখুনপু খকপানে ! চৈখননে।



খৈপানে ।।০।। চৈখৈনে। লোমপানে (.) লুমপানে (·) অ·সিনা চিংনা খৈপীক ওইতুনা খলৌপাকী মহাকথক লাইকী পনখৈতি লোমলে (.) ।। অ·সুম হ·াইতুনা কোনসেন তুলৈসেংপা সনামহীতা । রাকী মকোক বাকোকলোন । বাহৌলোন । ই·নুঙলোন । খুনুঙলোন অ·সি খৈপীককী ই·য়েক ই·পীপু ল·াইনিঙথৌ সলাইলেলকী কোলোই ময়াথংপু হিকতোকপা লৈতনা । লৈমালেল সিতাপীনা লৈয়েংতা লৈপী ই·য়েকলৈমা । লৈয়াইতা লৈপী লাইখুলেলপী । লৈতোনতা লৈপী লাইনৌ তাপী । ৩ মক অ·সি সাইওনতুনা মপালি ই·পুঙঙো কোনসেন তুলৈসেংপাতা । প·উমেনতুনা তাকপীখিয়ে ।।০।। ১তি ꯀ নে ।। হে মীওইপা তাপীও ! তাইপঙ পালপা মপুকী কোনপু ই·য়েক কোনপুঙ বাকোনপুঙ কৌয়ে । বাকোনপুঙকী কায়াত লাইফমকী ল·াইমিং ১তি । তাইপঙ পালপাকী মাইসিতপীনা সালাইকী ফীসেত ৭ মক। নোংলোন ৭ মাকী মচু ৭ মক অ·সি খৈপীকপু মফম অ·তুতা লীনা লৈপনে ।।০।। লাংওন খুতিংকী মী। সা। খোংলি লাউলিপা অ·সি খৈপীককী পুথোকনাফমনে। মচু মমেন মেতথোকনাফমনে। অ·তুকী মালমনা ময়াইতা মৈলাচীঙ লৈপানে। কোনচীঙ কৌয়ে । মাকী ল·াইমিং মমিংতি হুং কৌয়ে । ই·য়েক অ·সিপু ই·নুঙলোননা বাকোন কৌয়ে । খুনুঙলোন খোনথোক ই·নিননা কোক কৌয়ে । কোককী ই·য়েকতি অ·সিনে (ꯀ) লে·পনা খংপীও।।০।। ২ তি ꯁ নে ।। তলঙ ই·পুঙ লোইনপা অ·পকপা মসানা ওইপা মিহুন । সম । তু । খুচিননচিংপা সিংলি পাফন ১০৮ । মিহুন ৮৪। তাংসমলি ২৭ । থাপুঙ ১০ কী ই·ফা ই·মেনফম । থোঙলোন ৯। পনখৈ ৮। ই·লম ৭ । কায়াতকী কা ৬ মখোইসুং ই·পুংলোইনপা অ·পাকপকা লোইনলিপা মসেননে । অ·তুকী মলমনা সিংলি পাফন কৌপনে । মাকী ল·াইমিং মমিংতি ই·নুঙলোননা

সিংলি কৌয়ে। খুনুঙলোন খোনথোক ই·নিননা স·ম কৌয়ে। সমকী ই·য়েকতি অ·সিনে ( ꯁ ) লে·পনা খঙপীও ।।০।। **৩ তি ꯂ নে ।।** তাইপঙপালপা মপু সিতাপানা খঙতপাপু খঙহললে। লাইকী লাই অ·লুপানা খু·না হাননা লৈলে হ·ইপাকী লাইলোতপাসুং কৌয়ে। মাকী লাইমিং মমিংতি ই·নুঙলোননা লাই কৌয়ে। খুনুঙলোন খোনথোক ই·নিননা ল·ইপক কৌয়ে। লাইকী ই·য়েকতি অ·সিনে ( ꯂ ) লে·পনা খঙপীও ।।০।। **৪ তি ꯃ নে ।।** অ·তীংআ সিতপাকী মমি·ত মনুঙতা লৈপা মি·ত নাহা অ·তুপু মাললে হ·ইপাকীপু মি কৌয়ে। মি অ·তুপু য়েংনা সাখিয়ে হাইপাকীপু মী কৌয়ে। মী অ·তুপু খঙননাপা হ·ইতুনা অ·তিংআ সিতপাকী মমিত মনুঙতা লৈপা মমিপু য়েংতুনা সাখিপানা অ·তৈ অ·মনি খঙননাপা হ·ইতুনা মী অ·তৈ কৌয়ে। মিতা সাইওন তৌতুনা পোকপা সাপা তাইপঙ মীনা। মীতৈ হাইনা কৌখলে।।০।। সিতপাকী মসকতি মিনে। মিকী ল·ইমিং মমিংপু ই·নুঙলোননা মি কৌয়ে। খুনুঙলোন খোনথোক ই·নিননা মি·ত কৌয়ে। মি·তকী ই·য়েকতি অসীনে ( ꯃ ) লে·পনা খঙপীও ।।০।। **৫তি ꯄ নে ।।** লাইকী ফমপীতি অ·সীনে খঙপীও। চুপ অ·মাতি সিতপা মপুকী মমিপু ফাতুনা লেঙহনতনা সুমলে। থমলে। পকলে। হ·ইপকীপু পিসুম কৌয়ে। পিসুমকী ল·ইমিং মমিংপু ই·নুঙলোননা পি কৌয়ে। খুনুঙলোন খোনথোক ই·নিননা পা কৌয়ে। পাকী ই·য়েকতি অ·সীনে ( ꯄ ) লে·পনা খঙপীও ।।০।। **৬তি ꯅ নে ।।** হৈনা মপান থাপা; হানা মাউ লিংপী কৌপতি ফমপী কোনতকী নৌৱা অ·ঙাং মলু হুনপা ওইখিয়ে। অ·তুনুংকীতমকনা ই·য়েক মিংলেল মিংখৈ কৌপতি নুঙসাপু কৌয়ে। কামপী মৈ। লাইচা ই·সিঙ। মালঙপা নুংসিত। অ·হুম অ·সিপুসুং মিংলেল মিংখৈ নাকোং



কৌয়ে। কায়াত ১১। অ·মাতি সিংলি পাফন ১০৮ কী লুচিংপা পাফনলি ১০ নে। খোংলম ৯ নে। পনখৈ ৮ নে। ই·লম ৭ নে। অ·সি খৈপীককী মলিনপু নুংতকী সিতলকতুনা তেংঙে হ·ইপাকীপু নুংসিত কৌয়ে। নুংসিততকী সৌপাতি না অ·নিমকনে। মিংলেল অ·সিপু ই·নুঙলোননা নুং মালং কৌয়ে। খুনুঙলোন খোনথে·াক ই·নিননা না কৌয়ে। নাকী ই·য়েকতি আ·সিনে ( ꯅ ) লে·পনা খঙপীও ।।০।। **৭তি ꯆ নে ।।** মৈ। ই·শিঙ। নুংসিত ৩ মানা পুননা চীলওকননা লৈলে হ·ইপকীপু চীলওকনপা কৌয়ে। তাইপঙপালকী হুকসাং ওইলিপা অ·সিতা থৌৰাই লৈলিপা খৈপীক্ অ·সিপু মঙালতা য়োমনা লৈলে। নিকহনতে হ·ইপকীপু ৱাকোন চীঙ কৌয়ে। ল·ইমিং অ·সিকী ই·য়েক অ·সিপু ই·নুঙলোননা চীঙ কৌয়ে। খুনুঙলোন খোনথোক ই·নিননা চীল কৌয়ে। চীলকী ই·য়েকতি অ·সিনে ( ꯆ ) লে·পনা খঙপীও ।।০।। **৮ তি ꯇ নে ।।** কামপী মৈ·তলঙ। লাইচা ই·সিঙ তলঙ। মালঙপা নুংসিত তলঙ। আ·হুম মানা লৈতলিঙৈ। তলঙ ওইনা লৈলিঙৈকী মমিংপু তলঙ ই·পুঙ কৌয়ে। তলঙ ই·পুঙকী ই·য়েক অ·সিপু ই·নুঙলোননা তিলাং কৌয়ে। খুনুঙলোন খোনথোক ই·ৱাই ই·নিননা তিল কৌয়ে। তিলকী ই·য়েকতি অ·সীনে ( ꯇ ) লে·পনা খঙপীও ।।০।। **৯ তি ꯈ নে ।।** হে মী লাইওইপাসা ! তাপীও, হ·ইলপানে। সানা চীঙকী মতীকনে খঙপীও। ময়াইথোঙকা কৌপাতি খৌনাউপুনে। তাইপঙপালপা ১ মানে। মাংতা হাইখিপা সীঙথাফম কৌপাতি থানে। সিতপা মপুনা ই·মাঙথোঙতা থুংনা লৈলে হ·ইপকীপু ই·নুঙলোননা খৌ কৌয়ে। খুনুঙলোন খোনথোক ই·ৱাই ই·নিননা খৌতাঙ কৌয়ে। খৌকী ই·য়েকতি অ·সীনে ( ꯈ ) লে·পনা খ·ঙপীও ।।০।। **১০ তি ꯉ নে ।।** মালঙ নুংসিততকী

সৌপতি লাইপুঙথৌ ৭কী পনখৈ ৮না খৈলপা উমংলাই ৯ অ·সিকী মনুঙতা লৈপা লাইনিঙথৌ লাইলেলমা অ·নিমা তুলে। অ·তুকী অ·থুমপা মচুমতাকী সৌপতি খে·ইনে। ঙকসমনে ২ মানে। মমিত অ·নিমাতি লাই অ·পিসানে। লৈচঙতকী সৌপতি ঙৌনে। হে মী ওইপাসা ! লেপনা খঙপীও। ই·য়েক অ·সিপু ই·নুঙলোননা ঙৌ কৌয়ে। খুনুঙলোন খোনথোক ই·ৰাই ই·নিননা ঙক কৌয়ে। ঙৌকী ই·য়েকতি অ·সীনে ( ꯉ ) লে·পনা খ·ঙপীও ।।০।। **১১ তি ꯊ নে ।।** হে মী লাইকা তৈনলাপাসা ! য়েন অ·মা হাইকে। লৈপাক চাউয়ে। লৈপাক ফৈয়ে। মৈনে। ই·সিঙনে। নুংসিতনে ৩ মাকী লিখুনপু খ·ঙলপাসু ফৈয়ে। লৈপাক অহিঙপীতাকী সৌখতলকপাতি লৈনে। অ·মানা ১ না খ·ঙলাপতি লৈপাক হাইয়ে। ময়েং তাইয়ে। ই·সিঙতকী সৌপতি ই·খোমনে। তাইপঙ থৌৰাইনে। ই·য়েক খোনথোক অ·সিপু ই·নুঙলোননা থৌপাক কৌয়ে। খুনুঙলোন খোনথোক ই·ৰাই ই·নিননা থৌ কৌয়ে। থৌকী ই·য়েকতি অ·সিনে ( ꯊ ) লে·পনা খ·ঙপীও ।।০।। **১২ তি ꯋ নে ।।** সিতপা মপুনা মী। সা। ঙা। হংঙেই। য়োং। তীল। কাঙ। ৱাহি। খালৌ। কউচেং। হয়িং। খোইয়া। তুমিত য়ুলান খোংলি লাউলিপা খৈপীককী থৌৰাইপু লেঙহনতনা মপুকী কোনচিতা খমনা লৈয়ে হাইপকীপু খমসঙ কৌয়ে। খমসঙ অ·তুকী মনুঙতা থৌৰাই লৈ হ·ইপকীপু ৱাইসঙ কৌয়ে। ৱ·ইসঙ অ·তুকী মনুঙতা লৈপকী মিংলেল মিংখৈতি হা হা হুঙ হুঙ কৌয়ে। হে মীও ! পঙনা হ·ই কুনো ! নহাক নিঙও। তাইপঙ ল·ইনিঙথৌকী মালঙৱ·ই কৌপতি অসীনে। মনুঙ কৌপা কংলৈতি অ·সীনে। ই·য়েক খোনথোক অ·সিপু ই·নুঙলোননা ৱ·া কৌয়ে। ৱাকী (কোনকী) ই·য়েকতি অ·সীনে  । খুনুঙলোন খোনথোক ই·ৰাই ই·নিননা ৱ·ই



কৌয়ে। ব·ইকী ই·য়েকতি অ·সীনে ( ꯋ ) লে·পনা খঙপীও ।।০।। **১৩ তি ꯌ নে ।।** সিতপা মপুতি তাইপঙ পালপকী ম·ইকী অ·য়ু·ঙপা ৱাকোনকী চনিঙতা লোননা লৈলে হ·ইপকী লোনচা অ·লিপা য়াঙপী কৌয়ে। মিংখৈ মিংলেনতি পুঙতালিক কৌয়ে। তিংপালপা মপুনা অ·য়ুংপা ৱাকোন ফোলাংতা ফউলকলে হ·ইপকী ই·নুঙলোন কৌয়ে। ই·নুঙলোন কৌপতি মপুকী নিংসাকী মসকনে। মসিপু লাইকী লোননে। মপু সিতপানা ৱাকোন ফোলাং চীঙতোলতা তাইপঙ পালপা মপুপু খুনথোকহললে হ·ইপকী খুনুঙলোন কৌয়ে ।।০।। তাইপঙ পালপা পুমনমকনা কায়াত ১১। পাফললী ১০। ফৈতোম ৯। পনখৈ নিপান ৮। লিকলম ৭। খোংলম ৩ মাতা য়াঙনা ঙললৈ ।। থৌৰাই লৈলিপা খৈপীকনা তাইপঙ পালপকী মপাতি আসীনে হ·ইনা পুমনামকনা নোললে ।। সিতপকী মমিনা থা ওইনা হুনথালকলে হ·ইপাকী চেললৈ য়েক কৌয়ে ।। ই·য়েক আসীপু ই·নুঙলোনকী ই·য়েকনে য়েক কৌয়ে। খুনুঙলোন খোনথোক ই·ৰাই ই·নিননা য়াঙ কৌয়ে ।। য়াঙকী ই·য়েকতি অ·সীনে ( ꯌ ) লেপনা খঙপীও ।।০।। **১৪ তি ꯍ নে ।।** তাইপঙ পালপা মপুনা। তিংপালপা মপুকী ফমপী য়ৌলাপতা হললু। নপা ফমপীতি অ·তীংআ সিতাপাকী মপুকী মমিনা চুপ অ·হুম ওইনা। সিতপা মপু ই·পুঙ লোইনপা অ·পকপাপু ঙাকনা লৈয়ে। চুপ অ·হুমমকতি লাকপন থাঙফমনে। মৈনে। ই·সিঙনে। নুংসিতনে। লৈপাকনে। ৪ মকনা ফানখোং চুপ ওইনা তিললাকা। নোংথৌনা সেকপীন থকখন ওইলাতুনা। অ·তুকী মনুঙতা মমিনা পুসিনপীয়ে হ·ইপাকী ৱাকোনপুঙ কৌয়ে। ৱাকোনপুঙ য়ৌলপাকা থেংৰাই লৈলমলে। অ·তুকী মলমনা হুকসাঙতা হোহললকলে হ·াঙলে হ·ইপকী মমিংপু হাঙসঙ কৌয়ে। ই·য়েক অ·সীপু ই·নুঙলোননা হুক কৌয়ে। খুনুলোন খোনথোক

ই·ৱাই ই·নিননা হুকসাঙ কৌয়ে। হুককী ই·য়েকতি অসীনে ( ꯍ ) লে·পনা খঙপীও ।।০।। **১৫ তি ꯎ. নে ।।** হে মী থৌনৱাই লৈপাসা ! তাইপঙ পালপাকী মপু সিতপানা অ·য়ুঙপা ৱাকোনকী ফোলাং মতোনতা। ই·মিংথোঙতা মপু সিতপানা থিলথোকলকলে । নোংথোং হাংলে হ·ইপাকী নোংথিল কৌয়ে। খঙপীও ! চকপালোন সাইওনকী লাংওন ১ (অমা) তা খুতপুন চীঙতা তাইপঙকী লাইনিঙথৌ ওইয়ে । অ·তুকী য়াইপীলেল মলুকী মিংখৈতি হুঙ হৈ হা হে হিঙ কৌয়ে। লাইনিঙথৌকী লৌডিফমসুঙ মাঙচীঙনে। চাতুম পাললে। ফীতি চীঙপীতা পাললে। মফম অ·তুপু সিননাইফম সঙ কৌপানে। উপী উলেলতি লাইওই চীঙতাকী মসানা চতলে উ·নঙাল কৌয়ে। সায়ালতা সা থোকলে। সা অ·তুপু ই·নুঙলোননা উ·ন কৌয়ে। খুনুঙলোন খোনথোক ই·ৱাই ই·নিননা উ·নসা কৌয়ে । উ·নকী ই·য়েকতি অ·সিনে ( ꯎ. ) লে·পনা খঙপীও ।।০।। **১৬ তি ꯏ. নে ।** লাই কৌপাতি তাইপঙ পালপা মপুকী মাইওকতা লৈহ·ইপকী লাই কৌয়ে। লাইপুঙথৌ ৭ কী ই·লম ৭ তা। ই·থোঙতা সৌলে মপান সাপা কৌয়ে । হে মী লাই মালপাসা ! অ·লুপা ৱানে। সিংনা তাপীও । ই·লম ৭ মকনা নুংসিতকী মতোন সানা চীঙতা সিতপাকী লেঙতপকী মমিংতি । অ·নৌপা ই· অ·তুপু হুনথালকপাপু য়োমসিললে হ·ইপাকী নৌয়ম কৌয়ে। লৈপাক অ·হিঙপীতা থমলে। ফমপী সালে নৌফম কৌয়ে । নৌয়োমনে। ফমপীনে । মফম অ·নিমকপু নুংসানা লেঙলে মমিংতি খোইলীল নাউথিঙকোন কৌয়ে। নিংসা অ·তুনা মাইওকননা লৈলে। মিকুপ অ·হুম সেমলে। মিকুপ ৩ মাতা সুনা লৈলে - - - মিকুপ ১ তা অ·মমপা লৈমুলোন অ·হুমকী লাইথোঙতা মমিনা মচীল ময়া পানতুনা মমিং ই· লাই কৌনা লৈয়ে । ই·লম ৭ মাপু মানা হোতখাই চাইখাইলাপাকা



ই·থোঙ হাংলে । ই·সিঙ চাইপা কৌয়ে। মিকুপ খুতিংতা সিনথোকলকলে হ·ইপাকী ই·সিঙ হলপা কৌয়ে। ই·য়েক খোনথোক অ·সিপু ই·নুঙলোননা ই· কৌয়ে। খুনুঙলোন খোনথোক ই·ৱাই ই·নিননা ই·সিঙ কৌয়ে ।। ই·কী ই·য়েকতি অ·সীনে ( ꯏ· ) লে·পনা খঙপীও ।।০।। **১৭ তি ꯐ নে ।।** ৱাকোন চীঙ কৌপাতি। তাইপঙপালপা মপুকী কোনপু ৱাকোনপুঙ-চীঙ ফমপাল কৌয়ে। মপু সিতাপনা মৈনে। ই·সিঙনে। নুংসিতনে। ৩ মা অ·সি চ·ইনাহনতুনা নোংলোনতকী হুনথালকতুনা থৌনৱাই লৈলিপা খৈপীকনা লাপা অ·মোম মসক খঙতাপাপু খঙহননাপা য়াহিপ-ফমফম । চাকচা । য়াওন কোলোই। লোইনা-চাননা। নুঙসি-নুঙওন। ৱাহৈ। লমচত। অলু-অহেন। মহৈ-মসীন। কংলৈলোন। লোইন-সিললোন। লোইন-সিললম। লোইন-সিনথা অ·সি খৈপীককী থোকহললীপা ফমপীনে। ই·য়েক অ·সীপু ই·নুঙলোননা ফম কৌয়ে। খুনুঙলোন খোনথোক ই·ৱাই ই·নিননা ফমপী কৌয়ে। ফমকী ই·য়েকতি অ·সিনে ( ꯐ ) লে·পনা খঙপীও ।।০।। **১৮ তি ꯑ. নে ।।** ই·পুঙলোই অ·পকপানা নুঙপুঙ বাখন তৌতুনা । চকপালোন পুমনামককী সিতপাকী কায়াত লাংপুমকী ই·য়েক ই·নুঙলোন খুনুঙলোন খৈপীকপু ই·পুঙলোই অ·পকপানা সাইওনতুনা লেপখিপা ই·য়েক ই·পীকী ই·য়েক অ·সীপু খাকপা লৈতনা ই·পু অ·থৌপা; কোনচীন তুকথাপা পাখঙপাপু য়েংতুনা লীপীয়ে ।।০।। ই·পুঙলোই অ·পকপকী সাইওনকী ই·নুঙলোনকী হা হুং হৈ হে হিং কৌপা অ·সীনা ৱাকোকলোনকী মিংখৈ ওইলাতুনা মৈনে। ই·সিঙনে। নুংশিতনে। লৈপাকনে। নোংথৌনে। নুমিতনে । থানে। থৌনৱাইমিচাক নিঙথৌ সিতাপনে। চৈওন ৭ নে। সচীকনে। থাপানে। খোংচোম নুপীনে। সাচুংতিলহৈপানে। মোংকা সলংকানে। ওকপুলোই

তাউহুইলেংনে। লৈচিননে। চুমথাঙনে। নোংথাঙ কুপনা খোংপনে। সুপনা ফাইনা তিনতুনা। তলঙ ই·পুঙলোইনপা অ·পকপনা ই·য়েক ১৮ অ·মতি সীংথালোন চৈসীঙ ই·য়েক ১(অ·মা) তা সাইওনতুনা অ·তীংআ সীতপা অ·হাংপা হাইনা কৌখলে। ই·য়েক অ·সীপু ই·নুঙ লোননা ১ (অ·মা) কৌয়ে। খুনুঙলোন খোনথোক ই·রাই ই·নিননা অ·তীংআ হ·ইনা কৌখলে। অ·তীংআকী ই·য়েকতিঃ অ·সীনে (ꯑ·) লে·পনা খঙপীও --- ꯱ ই·নুঙলোনকী চৈসিঙ ই·য়েক অ·সীকী মতুঙইননা অ·মাতকীনা অ·মা ফুনপু। তালা হ·ইনা কৌখলে। ꯱ (অ·মা) তকীনা। ꯲ (অ·নি)। ꯳ (অ·হুম)। ꯴ (মলি)। ꯵ (মঙা)। ꯶ (তলুক)। ꯷ (তলেত)। ꯸ (নিপান)। ꯹ (মাপন)। ꯱꯰ (অ·মা ফুন) তালা ফাউপা ওইতুনা মপুকী মিংলেল মিংখৈ ই·য়েক ওইনা লেপখলে। অ·মতি মপুগী মিংলেন মিংখৈ ই·য়েককী খুনুঙলোন ওইপনে। খঙপীও ।।০।। হে মী লাই ওইপাসা! তাপীও। হাইলাপনে। বালম অ·মসু হ·ইকে — — তেঙপালপকী মতীকনে। নমু তাইপঙ মীকী থৌর·ইকী মচাকনে হ·ইতুনা ই·পুঙলোইনপা অ·পকপানা থৌরাই মিচাক অ·পকপা ওইখিয়ে। অ·মাতকীনা ১(আমা) তা ফুন ১৩ (তালাহুমথোই) ফাউপাপু থৌরাই মিচাক অ·পকপা ওইপনা পু অ·মনি হ·ইখলে ।। থৌরাই-মিচাককী মমিংপু অ·মা। তালা। চা। লীসিঙ। লীসিঙ তালা। লীচা। লীচা তালা। লীপুন। লীপুন তালা। লীপোত। লীপোত তালা। লীকৈ। লীকৈ তালা। পু ১ ফাউপা ওইতুনা মপুকী মিংলেল চৈসিঙ সিঙথালোন ওইনা লেপখলে ।। অ·মতি মপুকী মিংলেল মিংখৈ ই·য়েককী সুপনা ফাইনা খঙনপপু ই·নুঙলোন ওইপনে। তাইপঙপালপানা মমিং বাকয়ৈ হীকা নাউকা ওইনপা। লাননাপা মিংলেল ই·য়েকসিংসে। থৌরাই লৈলিপা কায়াতকী সুপনা ফাইনা



তিনতুনা। ই·পুঙলোইনপা অ·পকপাকা লোইনলিপা মসেননে। লে·পনা খঙপীও ।।০।। হে মী ওইপাসিংও! হুচীকতি বালম আমা হাইকে— ই·য়েক ই·পী ১৮ অ·সীকী মতুঙইননা বাকোকলোন অ·মতি বাহৌলোন। খুনুঙলোন ই·য়েককী চমনানপাতা থোকলকপা ই·য়েক মচেত অ·সীপু লোলসুম ই·য়েক কৌয়ে। লোলসুম ঈয়েকসিংতি অ·সীনে ( [illegible] )। ই·য়েক তালা অ·সী ই·য়েক ১৮ কী লোইনপা লোলসুমনে। লোলসুম ই·য়েকসিং অ·সীনা ই·পী ওইনা সিচিনাপতা ই·য়েককী খোনথোক ই·রাই ই·নিনপু অ·সুমপা ওইকনিয়ে। বালম অ·মসু হাইকে — — বাহৈকী লোলচন পীপতা ই·য়েককা ই·য়েককা পুননাপতা। খোনথোক ই·রাই ই·নিন পুপাতা ই·য়েক মচেতনা হৌপনে। মসীপু বাকোকলোনকী বাহৌলোন ওইপনে লে·পনা খঙপীও ।। ০ ।। ১ তি ৯ নে ।। ই·য়েককী ই·রাই ই·নিনকী মতুঙইননা পকনা পকননা নপতুনা থোকলকলিপা খোনথোককী ই·রাই ই·নিন অ·তুকী ফোঙপতা। নিংসাকী ই·রাই ই·নিন অ·তুকী ই·য়েকপু লোলচন চৈতপ কৌকাতনে। অ·তুকা ই·য়েককী মসাতা নপহ হ·ইপকীপু চৈনপসু কৌয়ে। ই·য়েকনা মকোকনে। চৈতপনা মখুতনে। লোলসুমনা মখোঙ ওইলাকা। অ·হুম অ·সি পুনতুনা তাইপঙ পালকী হুকসাঙ ফিলেপ ওইপকুমনা হুকসাঙ ফিলেপ কায়াততাকী থোকলকপা বাহৌলোন। বাহৌথোক। খোনথোককী ই·রাই ই·নিননা বাহৈকী লোলচন পীতুনা অ·লেপপা মসক তাকলিপা অতুপুনা লোলচন কৌকাতানে হাইনা খঙপীও ।। ০ ।। অ·সুমতৌনা ই·য়েক চৈতপনে। অসুমপা লোলসুমনে। অ·নি অ·সি য়াউতালাপতি ই·নুঙলোন খুনুঙলোন খোনথোককী ই·য়েক ওইপা য়ালোইয়ে। অ·তুকী মলমনা তিংপালপা মপু ই·পুঙলোইনপা সিতাপা মপু তাইপঙপালপাকী বাকোন

তাউহুইলেংনে। লৈচিননে। চুমথাঙনে । নোংথাঙ কুপনা খোংপনে। সুপনা ফাইনা তিনতুনা। তলঙ ই·পুঙলোইনপা অ·পকপনা ই·য়েক ১৮ অ·মতি সীংথালোন চৈসীঙ ই·য়েক ১(অ·মা) তা সাইওনতুনা অ·তীংআ সীতপা অ·হাংপা হাইনা কৌখলে । ই·য়েক অ·সীপু ই·নুঙ লোননা ১ (অ·মা) কৌয়ে। খুনুঙলোন খোনথোক ই·রাই ই·নিননা অ·তীংআ হ·ইনা কৌখলে । অ·তীংআকী ই·য়েকতিঃ অ·সীনে (ꯉ·) লে·পনা খঙপীও --- ꯱ ই·নুঙলোনকী চৈসিঙ ই·য়েক অ·সীকী মতুঙইননা অ·মাতকীনা অ·মা ফুনপু । তালা হ·ইনা কৌখলে। ꯱ (অ·মা) তকীনা । ꯲ (অ·নি) । ꯳ (অ·হুম) । ꯴ (মলি) । ꯵ (মঙা) । ꯶ (তলুক) । ꯷ (তলেত)। ꯸ (নিপান)। ꯹ (মাপন)। ꯱꯰ (অ·মা ফুন) তালা ফউিপা ওইতুনা মপুকী মিংলেল মিংখৈ ই·য়েক ওইনা লেপখলে । অ·মতি মপুগী মিংলেন মিংখৈ ই·য়েককী খুনুঙলোন ওইপনে। খঙপীও।।০।। হে মী লাই ওইপাসা ! তাপীও। হাইলাপনে । রালম অ·মসু হ·ইকে — — তেঙপালপকী মতীকনে। নমু তাইপঙ মীকী থৌব·ইকী মচাকনে হ·ইতুনা ই·পুঙলোইনপা অ·পকপানা থৌরাই মিচাক অ·পকপা ওইখিয়ে। অ·মাতকীনা ১(আমা) তা ফুন ১৩ (তালাহুমথোই) ফউিপাপু থৌরাই মিচাক অ·পকপা ওইপনা পু অ·মনি হ·ইখলে ।। থৌরাই-মিচাককী মমিংপু অ·মা। তালা। চা। লীসিঙ। লীসিঙ তালা। লীচা। লীচা তালা। লীপুন। লীপুন তালা। লীপোত। লীপোত তালা । লীকৈ। লীকৈ তালা। পু ১ ফউিপা ওইতুনা মপুকী মিংলেল চৈসিঙ সিঙথালোন ওইনা লেপখলে ।। অ·মতি মপুকী মিংলেল মিংখৈ ই·য়েককী সুপনা ফাইনা খঙনপপু ই·নুঙলোন ওইপনে। তাইপঙপালপানা মমিং রাকয়ে হীকা নউিকা ওইনপা। লাননাপা মিংলেল ই·য়েকসিংসে। থৌরাই লৈলিপা কায়াতকী সুপনা ফাইনা



তিনতুনা। ই·পুঙলোইনপা অ·পকপাকা লোইনলিপা মসেননে। লে·পনা খঙপীও ।।০।। হে মী ওইপাসিংও! হুচীকতি রালম আমা হাইকে— ই·য়েক ই·পী ১৮ অ·সীকী মতুঙইননা রাকোকলোন অ·মতি রাহৌলোন। খুনুঙলোন ই·য়েককী চমনানপাতা থোকলকপা ই·য়েক মচেত অ·সীপু লোলসুম ই·য়েক কৌয়ে । লোলসুম ঈয়েকসিংতি অ·সীনে (ꯀ ꯁ ꯂ ꯃ ꯄ ꯅ ꯆ ꯇ ꯈ ꯉ)। ই·য়েক তালা অ·সী ই·য়েক ১৮কী লোইনপা লোলসুমনে। লোলসুম ই·য়েকসিং অ·সীনা ই·পী ওইনা সিচিনাপতা ই·য়েককী খোনথোক ই·রাই ই·নিনপু অ·সুমপা ওইকনিয়ে। রালম অ·মসু হাইকে — — রাহৈকী লোলচন পীপতা ই·য়েককা ই·য়েককা পুননাপতা। খোনথোক ই·রাই ই·নিন পুপাতা ই·য়েক মচেতনা হৌপনে। মসীপু রাকোকলোনকী রাহৌলোন ওইপনে লে·পনা খঙপীও ।। ০ ।। ১ তি ১ নে ।। ই·য়েককী ই·রাই ই·নিনকী মতুঙইননা পকনা পকননা নপতুনা থোকলকলিপা খোনথোককী ই·রাই ই·নিন অ·তুকী ফোঙপতা। নিংসাকী ই·রাই ই·নিন অ·তুকী ই·য়েকপু লোলচন চৈতপ কৌকাতনে। অ·তুকা ই·য়েককী মসাতা নপই হ·াইপকীপু চৈনপসু কৌয়ে । ই·য়েকনা মকোকনে। চৈতপনা মখুতনে। লোলসুমনা মখোঙ ওইলাকা। অ·হুম অ·সি পুনতুনা তাইপঙ পালকী হুকসাঙ ফিলেপ ওইপকুমনা হুকসাঙ ফিলেপ কায়াততাকী থোকলকপা রাহৌলোন। রাহৌথোক। খোনথোককী ই·রাই ই·নিননা রাহৈকী লোলচন পীতুনা অ·লেপপা মসক তাকলিপা অতুপুনা লোলচন কৌকাতানে হাইনা খঙপীও ।। ০ ।। অ·সুমতৌনা ই·য়েক চৈতপনে। অসুমপা লোলসুমনে। অ·নি অ·সি য়উিতালাপতি ই·নুঙলোন খুনুঙলোন খোনথোককী ই·য়েক ওইপা য়ালোইয়ে । অ·তুকী মলমনা তিংপালপা মপু ই·পুঙলোইনপা সিতাপা মপু তাইপঙপালপাকী রাকোন

কোকতা ই·পুঙকী ই· অ·তুনা ওতনা ওতননা নপনা লৈয়ে হ·াইপাকী ওতনপ কৌয়ে । ওতনপকী ই·য়েকতি অ·সীনে ( ৹ ) লে·পনা খঙপীও ॥ ০ ॥ ২ তি ী নে ॥ ওতনপকী ই· অ·তুনা সিঙলি অ·তুতা নপতুনা লৈয়ে হ·াইপাকী ইনপ কৌয়ে । ই·নপকী ই·য়েকতি অ·সিনে ( ী ) লে·পনা খঙপীও ॥ ০ ॥ ৩ তি ৲ নে ॥ ই·নপ অ·তুনা অ·তীংআতা লাই ওইনা নপনা লৈয়ে হ·াইপাকী অ·নপ কৌয়ে । অ·নপকী ই·য়েকতি অ·সীনে (৲) লেপনা খঙপীও ॥ ০ ॥ ৪ তি ি নে ॥ ই· অ·তুনা অ·তীংআ সিতপাকী মমীত মনুঙতা ই·না সাইওন তৌতুনা চৈতপ ওইনা মীকী মসক ওইতুনা নপনা লৈয়ে হ·াইপকী ই·নপ কৌয়ে । ই·নপকী ই·য়েকতি অ·সীনে ( ি ) লেপনা খঙপীও ॥০॥ ৫ তি ৺ নে ॥ ই· অ·তুনা থৌপাকতা সোকনা সৌননা নপনা লৈয়ে হ·াইপাকী সৌনপ কৌয়ে । সৌনপকী ই·য়েকতি অ·সীনে (৺) লে·পনা খঙপীও ॥ ০ ॥ ৬ তি ° নে ॥ ই· অ·তুনা য়াঙতা য়েতনা য়েতননা নপনা লৈয়ে হ·াইপাকী য়েতনপ কৌয়ে । য়েতনপকী ই·য়েকতি অসীনে (০) লে·পনা খঙপীও ॥ ০ ॥ ৭ তি ‿ নে ॥ ই· অ·তুনা উ·নতা নপয়ে হাইপাকী উনপ কৌয়ে । উনপকী ই·য়েকতি অ·সীনে (‿) লেপনা খঙপীও ॥ ০ ॥ ৮ তি ৼ নে ॥ ই· অ·তুনা চৈখন ওইনা পকন পকননা লৈয়ে হাইপাকী চৈনপ কৌয়ে । চৈনপকী ই·য়েকতি অ·সীনে (ৼ) লে·পনা খঙপীও ॥ ০ ॥ ৯ তি ৽ নে ॥ হুং হিং নিং তা তপলিপা চৈতপ চৈনপ অ·সিপু নুং কৌয়ে । নুংকী ই·য়েকতি অ·সীনে (৽) লে·পনা খঙপীও । অ·সুম তৌনা তিংপালপাকী মপু ই·পুঙ লোইনপা অ·পকপাকী ই·য়েক ই·পী তাইপঙপালপা মী ওইপাকী কায়াতনুংতা থুপনা থমতুনা । ই·নুঙলোন খুনুঙলোন ওইনা লাইকী লোল লাইলোল



থইনা কৌখলে । ই·পুঙ লোইনপা সিতপা মপুনা থককা খাকা ২ কী তাইনপা মলকতা সাইওনতুনা । ই·পুঙঙো মহাককী থৌসিননা হা-হুঙ কায়াত লেপলিপা । থৌব·াই লৈলিপা পুমনমকনা মপুকী লিখুন খিনানপা অ·মাতি মাপু অ·মা লৈ হ·াইপা খঙনাপকীতমক । ই·পুঙঙো মহাককা থৌসিননা লইয়·ামসিংপু পুথোকতুনা । লাইনিংথৌ সালাইলেল সিতাপকী মফমতা তলঙ লাইপাউ পীতুনা । নুমিত ৩ নি সুপাকী অ·ঙাংকী মতমকুমনা সানাকী মসক মালপা নৌবা ১ (অমা) ওইনা লৈলমকে । ঐ অ·সিপু নহাককী নচামকনি নিঙতুনা ঐপু য়ে·াকলো । হায়েং চক অ·মাতা তইপঙ পালপা মনুঙ ওইননপাতা । লাইয়ামসিঙকী ই·য়েক খোনথোক মতুঙ ইননা মাঙতানপা উলি-বালি । মীনাচিংনা অ·সি খৈপীকপু সালকপা মতমতা ঐনা নঙকী নতেং পাংকনি হাইনা তলঙ লাইপাউ পীখিয়ে । লাইপাউকী লিখুন লীকলমপু ল·হিয়ামসিংনা তাচাখি ॥ ০ ॥ অ·সুম ওইপা লাইপাউকী মতুঙইননা সিতাপাকী ইসাইফু ই·লোননুংতা নুমিত হুমনি সুপাকী নৌবাকী মবোং ওইনা সানাকী মচু মানপা নৌবা অ·মা লৈলমলে । নৌবা অ·তুপু য়োংলোকা সানাকী মসক মানপা অ·ঙাঙপা মচুনা লৈতেংপা মহী অতুপু উপাতা সানামহী হ·াইপা মিংথোনপু পীতুনা মচাকী মতমকুমনা লৌখতলে । অসুমতৌনা লৌখতলাপকা লাইলেলপী সিতাপী লাইলেম মাতা পীসিললে ॥ ০ ॥ লাইলেমমানা য়েংলকা ঙাঙলৈনপা নৌবা অতুপু উপাতা অ·ঙাঙ মিংথোন ফংতুনা চেতনা চাননা কোনসিললে । ৬ নি সুপা নুমিততা ই·খৌ ই·পাল লাংহললে । ই·ম-কৈ সেংথোকলে । ই·পালী অলীপা । পাকী লীলপা । পালী অ·হানপা । কোনসেন তুলৈ সেংপা মিংথোনপু ফংচৈয়ে ॥ ০ ॥ মতৌ অ·সুমনা লৈলাপাকা মপালীসু চাউলকলে । মপাপুঙকী য়াথং থোইয়া নিংথিপানা হাইলকলে —

মচাকী মফমতা - - -। পালি ই·পুঙ্ঙো, কোনসেন তুলৈ সেংপা ! তলঙ লাইপাউকী মতুঙ্ইননা । পালী নঙকী নথৌ নঙ্ম তাইপঙ্মীপু সাপা হৌলো হ·ইনা তাকপীলে । অতুকী মতুঙ্ই·ননা মপালীনা মী সাপা হৌখলে । আহানপা মপালী সনামহীনা সাপা পোতলম অতুপু কতসিললে । হেকনা ওইপা য়াখিতে । মপাপুঙনা মথৌৱ·ইপু হ·পতুনা । মমিংতপু থোনতুনা । নমু-মিতম ঙা হ·ইনা কৌতুনা লাইচা ই·লোন-নু·ংতা থাথোকলে ।।০।। অ·সুম তৌনা মথং মথং সালকপতা। সোইনা-খননখিতুনা । ই·কোন কোনপতা সলাইলেল সিতাপাকী পাউতাক মতুঙ্ই·ননা সাপাতকী মী ওইনা লেপতুনা মপাপুঙতা কতসিললে । মপাপুঙনা মিয়েং সানখৈ তালকলে — —। পালী ই·পুঙ্ঙো ! ই·চানা সালিপা নমু তাইপঙ মীতি। খকপনে-খকপকী ই·য়েকনে ( ! )। চৈখননে—চৈখনকী ই·য়েকনে ( । ) । খৈপানে—খৈপাকী ই·য়েকনে ( ।।০।। ) । চৈখৈনে—চৈখৈকী ই·য়েকনে ( ।। ) । লোমপানে—লোমপাকী ই·য়েকনে ( . ) । লুমপানে —লুমপাকী ই·য়েকনে ( · ) । পুনপানে—পুনপাকী ই·য়েকনে (—) । অ·পুননে—অ·পুনকী ই·য়েকনে (— —)। ই·চানা মী সাপতা সোইনা—খননালে । অঙকপা চঙ্লে-অঙকপকী খুততম ঈয়েকনে ( İ ) । ই·কোন — কোনপতা ঙকপনা হংচায়ে হংপকী খুততম ঈয়েকনে ( I ) । অসুম হ·ইনা হ·ইখলে ।। ০ ।। ই·চানা সালিপা মী অ·সিতি মথৌৱাইপু হাপতুনা লোমকাতপানা । লাংপচক ওইতুনা পোকলাকতাপা পুমনামকতি পোকপা সিপা নাইলাকতাপনে । মমা পিপুকনুঙ কোনতকী তাইনাপা অ·সিতা থোকলকপতা ঙাইহাক পঙথাকতাপনে । পঙথাপা অ·তুকী মতুঙ্ই·ননা ই·পানা তাইপঙ মী হ·ইনা কৌলমকে । অতুকুমপা তাইপঙ মী অ·তুতা লাইয়ামসিংকী



ই·য়েক ই·পী লাইয়েকসিংপু থুপনা থমনাপাকীতমক ই·পানা মী সাউও হ·ইপানে । লেপনা খঙও । অ·তুকী মলমনা ই·পানা মথককী লাইফমসিংপু লীপনে । অতুকুমপা মপালী ই·পুঙঙো সানামহীনা সাপা মী অতুপু লৈমালেল সিতপীনা উলুপাতকী। লাইলেলপীতি সিতপী তিললাং খোইতাতুনা মপুকী কোনতাকী তিললাং অ·তু তুকথাখিতুনা লৈমালেলকী খোইচী খাতা তুঙতুনা নাউপুন ওইনা য়োমতুনা পীপুকনুংতা লৈখলে । অ·সুম তৌনা লৈলকলাপকা মপুকী কোনচিলতাকী তুকথাখিপা তিললাং অ·তুসু থাপুঙ তালা ফালাতুনা তাইপঙপালতা ফউলকলে ।।০।। অ·সুম তৌনা ফাউলাপকা নুমিত ৬ নি সুপতা অনম অথৌ কোকতুনা। ই·ম - কৈপু সেংতুনা । লাইচা ই·পাল থাতুনা । ল·ইনিঙথৌ লাইলেলমা ২ মাপু সিতাপানা লৈপাক মাইপা খুলাই তাঙপা নিঙথৌ মাইপা চিলাই হনপা সাতুনা । মাইচৌ মাইনৌ ওইলাতুনা । অ·মাইপা অ·মাইপী সাতুনা তিললাং অতুপু নাহৈ লাইলোল হ·ইতুনা অ·নম আথৌ কোকথোকলে । মলোল থোকলে । মলিন থোকলে হ·ইতুনা । পালী অ·তোনপা । ই·সানৌ কোনচিন তুকথাপা হ·ইপা মিংথোনপু ফংচৈয়ে । থাপুঙ ১০ নাউপুখিপানা মপাপুঙকী ফমপান ফনখোঙ ৭ লকপু কোইতুনা ফমপান মেন তোংপা ফংচৈয়ে । ময়ামপুঙ সানামহীপু মসক খঙতুনা। নিঙথি থোইনা নিঙতুনা তাইপঙ মীকী ফমপান তোংচৈয়ে । ৱালম অ·সিনা পুকোকনে ।।০।। অ·সুম তৌনা পাখঙপানা মীংথোন ফংতুনা । সাইওন ১০ (তালা) পুথোকতুনা। মথৌ মঙম পাঙথোকপাতা মমিং তালামা ফংচৈয়ে ।।০।। হে মী লাই মালপাসা ! তাপীও । অ·সাইকী লাইকী চক অ·কোইপা চকোই অ·কোইপা পল ওইপা লোন ঃ চকপালোন পুমনামকতা য়াওলাপা ৱাকোকলোন ১ তি ৱাহৌলোন ২তি ৱহৌথোক অ·সি খৈপীককী লিখুনপু ই·নুঙ্লোন খুনুঙ্লোনকী ই·ৱাহ ই·নিন । ই·য়েক

ই·পীপু ৰাহনথোকনা ফোংতোকয়ে ।।০।। হৈ-চককী খুনুঙলোনতি । হৈ-ই· অ·নি অ·তুনা অ·তীংঅা কোইলৌতাকী পানা চেনথালকয়ে হ·াইপাকী ই·পা কৌয়ে । ই·কী পানে হ·াইতুনা লেপনা খঙপীও । হৈ-ই· -চক হ·াইপতি অ·সীপ ু কৌপানে । খঙপীও । হা-চককী খুনুঙলোনকী ৰাহনথোকতি- হানা ই· অ·তুপু মাথোক্তে। মাঙহনতে হ·াইপাকী ই·মা কৌয়ে । ই·কী মমানে হাইপাকীপু হা-চক কৌয়ে। লোপনা খঙপীও । কোন-চককী খুনুঙলোনকী ৰাহনথোকতি ই· অ·তু নাউিপুন ওইনা য়োমতুনা । কোনশিনতুনা । থমমে হ·াইপাকী কোনসিনপা নাউিয়োম কৌয়ে । কোন-চক হ·াইপাতি অসীনে লেপনা খঙপীও । লাংপা-চককী খুনুঙলোনকী ৰাহনখোকতি — — নাউিয়োম অ·তুতকী থাপুঙ ফালকতুনা লাংওললে হ·াইপাকী লাংপা-চক কৌয়ে । লাংপা চক হাইপাতি অ·সিনে লেপনা খঙপীও । হৈ-চক। হা-চক। কোন-চক। লাং-চক চক মলি অ·সীপু চকপালোন কৌয়ে ।।০।। ঐনে। ই·পানে। ই·পুনে। ই·পুথৌনে। ই·পুঙলেল নাককপানে । মঙা অ·সিপু থেঁনীয়ে হ·াইপকী থেঁনীৰাই কৌয়ে । তিংপালপা মপু পুমনামকপুসু থেঁনীয়ে হ·াইপকী থেঁনীৰাইলেল সিতপা কৌয়ে । থেঁনীৰাই হ·াইলিপা অ·সীতি য়াইপীলেলকী তুঙনাফমনে । য়াইপীকী তুঙনাফমনা হুকসাঙ কায়াতকী লাংপুম ওইতুনা লৈলিপসিনি । কায়াতকী লাংপুম পুমনামকতা লৈপা মপুতি তাইপঙপালপা মপু হ·াইনা কৌখলে । থৌৰাইলেল সিতাপানা ই·লিক ই·নাংসিতপী-পানা য়াইপীনা ই·লিক ই·সৌ ওইপা ঙমপানে । লে·পনা খঙপীকাতপানে ।।০।। তিংপালপা মপু ই·পুঙ লোইনপা অ·পকপাকী লাইপাউকী কোলোই ময়াথংনা ওইখিপা মলমনা । তাইপঙপালপাকী চকপালোন পুমনামককী সেমঙমপা । মতম মতমতুকী



চাননা- চমনাপা লোমনা ই·য়েক লোমতুনা । লুমনা ই·ৰাই ই·নিন খোনথোকপু লু·মহললি হ·াইপাকী খুনুঙলোন অতুপু খুনুঙলোলচুম কৌয়ে । খুনুঙলোলচুমসিংসে তাইনাপাতা লৈলিপা মী ওইপা ই·চা ই·সু মীতৈ পুমনামককীতমকতা হ·াইচাপানে । হে নিঙথৌও ! ই·য়েক লিখুন অ·সিতি মতমতুকী মতুঙইননা পুথোকপীকাতানে খঙপীও ।।০।। হে মীওইপা সিংও । তাপীও ! ৰালম অমসু হ·াইকে ই·নুঙলোন খুনুঙলোন ই·য়েককী খঙননপা লীখুনতি লাইলীক পোলপীলাং । ২ তি থাপালোন য়াঙপী । ৩তি ৰাকোকলোন হীলেল থিলেল সলাই অ·মাই·লোন । ৪তি থৌৰাই-মিচাক খেনচঙলোন । ৫ তি সাকোক সালাই থিলেল । ৬তি খুনুঙলোন সাকোক থিলেল। পুয়াসিং অ·সিতা য়াঙলিপা খৈপীকসে ই·চা ই·সু পুমনামকনা খঙনাপা ওইসুনো । ১ (অ·মা) তি সলাই অ·মাই·লোনতা ২ তি থৌৰাই-মিচাক খেনচঙলোনতা য়·াঙলিপা খৈপীকতো তাককুনো। ঐনা ঐনা খঙনকতাপনে। মাইচৌ পুমনামক ! লাইলীক অ·সিপু লোইপা মাইচৌসিংনা পুয়া ঐপু তাচকে । খঙচকে হ·াইপা লৈলাপতি । লাইলীক ঐ অসিতা মিংখৈ অ·সীনা থৈথোকপীকাতানে । লে·পনা খঙপীও।।০।। লৈতোনতা লৈপী ই·য়েক লৈমা । ই·মা ই·পেমমা । লৈয়াইতা লৈপী লাইখুলেলপী ই·মা ই·পেমমা । লৈয়েংতা লৈপী লাইনৌতাপী ই·মা ই·পেমমা। লাইলেলপী ৩কী মমিংতি-নুং-তলেঙ তলেঙপী কৌয়ে । অ·সী হ·াইনা লাইলেলমাপু পুনেমচৌও ।।০।। অসুম তৌনা ই·পুঙ লোইনপা অপকপানা মালেম লৈসাপু ই·নুঙ পুঙতকী ফুকখত চিংখত থাংখতলকপা মতমতা। সিতপাকী নুঙপুঙ ৰাখনতকী থোকখিপা লাইপুংথৌসিংপু অ·পকপতকী খাইথোকলে হাইপাকী খাইপোক খাইথোকপা কৌয়ে। খাইথোকপাগী খুততমতি অসীনে

( \ ) ।  লাইপুঙ থৌসিংনা পুননা তিনসিননাতুনা থোকপা মতীকপু ই·পুঙ লোইনপামক ওইয়ে। পুনসিনপা তিনসিনপা কৌয়ে। তিনসিনপাকী খুততমতি অ·সীনে ( / )। ই·পুঙলোই অ·পকপাকী নুং-সা সা-তুমপু খাইথোকপা অতুনা বাকোনপুঙতা লৈপা লাইপুঙথৌ ৭ তা য়েনথোকলে। য়েনপাকী খুততমতি অসীনে ( । ) । ই·পুঙ লোইনপা অ·পকপনা তলঙ ওইনা লৈলিঙৈ। অমম অঙান খাইতলিঙৈ; মথনননা ওননা-ওননা। সাইওন-লাংওন তৌতুনা তেংপালপাপু ওইখিপা। লাইপুঙথৌ ৭ পুথোকখিপা। চৈওন ৭ পু ওইখিপা অ·তুতাসু নততানা কোনসেন তুলৈসেংপা সানামহীনে। মী খলৌপানে। কোনচিন তুকথাপা ই·পুথৌ পাখঙপানে পুমনামকপু ঈপুঙলোইনপা মপুকী মতীকনে। ই·পুঙলোই মথনতানা সুপনা ফাইনা হননা – হননা ওইখিপপু পুনসিনপা হাইখলে । সুপনা ফাইনা পুননা য়েকখিপা ই·খিপা মলমনা মাকী মীংলেল খুততমপু পুন-ইপা কৌয়ে । পুনই·পাকী খুততমতি অ·সীনে (–) । ই·পুঙলোইকী মতীকনা পুমনামকপু ওইখিপা হৌখিপা মলমপু ই·পুঙলোইনাপা অ·পকপকা·অ·মততা ওইলে । মাননায়ে। মাননাপাকী খুততমতি আসীনে (÷) । অসু·ম ওইপা ই·পুঙ লোইনাপা অ·পকপাকী মতীক ময়াইনা ওননা-ওননা পুথোকখিপা খৈপীকপু পলেম পনথৌনা পোকপীপানা খঙপানে। অ·তুকীতামকনা ই·মা ই·পাপু পলেম পনথৌ কৌচাপানে। পলেম ই·মা। পনথৌ ই·পা অনিমানা পুমনামককী থোইপানে; অথোইপানে। মিতনা উপা লাই কৌপাতি মখোইপুনে। অসি লৈপাকীপু মালেম লৈমানা লুমপালা? পলেম ই·মানা মালুমই। কোইলৌ নোংমাতোননা বাংপালা? পনথৌ ই·পানা মবাঙই। সৈথাপানে। লেপনা খঙপীও ।।০।।  বালম অমাসু হাইকে সিতাপাকী নুঙপুঙ বাখনতাকী থোকখিপা লাইপুঙ থৌসিংনে। চৈওন তলেতনে।



তেংপালপানে পুমনামকপু তোপনা খননানা সমপল ওইনা খালে। সমপলকী খুততমতি অসিনে ( ( ) ) । ই·পুঙলোই অ·পকপাকী বাকোনপুঙপু লাইপুঙথৌ ৭ ওইনা য়েনখিপানা মমিং অ·তুপু ই·য়েক হাইনা কৌখলে ।।০।।  ই·য়েক ৭ মানা চৈওন ৭মা থোকয়ে । চৈওন ৭মানা থেঁৗবাই মিচাক ৭ মাসুং পোকয়ে । অ·সুমতৌনা তিংপালপা ১ (অমা) কী মওংপু তাইপঙপালপা মওং লেপননাপা হ·াইতুনা। লাইনিঙথৌ লাইলেলমা ২ মাকী মফমতা লাইপুঙথৌ ৭ না । চৈওন ৭ না ওইলকপা মতুঙ-ইননা নঙকী নতেঙ পাংকনি ।।০।।  বাকোকলোন হীলেল থিলেল সলাই অ·মাই·লোন পুকোকপু নিঙতুনা ৫° তি তলঙ সাইওনকী সিঙথালোন চৈসিঙনে । ই·নুঙলোন খুনুঙলোনকী ই·য়েক ই·পী ১৮ অ·মতি ই·য়েক চৈতপ ৯ অ·মানে। লোলসুম ই·য়েক ১০ অ·মানে। খকপাকী ই·য়েকনে । চৈখনকী ই·য়েকনে । খৈপাকী ই·য়েকনে। চৈখৈকী ই·য়েকনে। লোমপাকী ই·য়েকনে। লু·মপাকী ই·য়েকনে । পুনপাকী ই·য়েকনে । অ·পুনকী ই·য়েকনে । মী সালকপাকী অ·ঙকপাকী খুততম ই·য়েকনে । হংপাকী খুততম ই·য়েকনে । অ·সিনাচিংনা লাইয়ামসিংকী লাইমিং ই·য়েক ই·পী পুমনামকপু হাইলমলাকা ই·পুঙলোইনাপা অ·পকপাতি তলঙ নুংতা লৈখালে ।।০।।  তলঙ পাউপু পীনাপা । ই·পুঙলোইকী য়াথংনা ওইখিপা মালমনা লাইয়ামসিংনা হালউিলে। ই·পুঙলোইনা হালউিলে । য়াইফপাকী মতীকপু লাইয়ামসিংনা পেনচলে । অসুম তৌনা লোইপী চীঙকী চীঙতোনতা মফম-মফম য়েংতুনা তুকা বাকা পাতুনা নুংঙাই থোইনা পানখলে । বাকোনপুঙপু সাখলে । ই·পুঙলোইকী হুমাং মালিকতাকী থোকখিপা। সালোই ফুলুপ মখৈনা অয়েতপাপু পীলকলে । ই·পুঙলোইনা লাইনিঙথৌ নোংসাপাপু ওইতুনা সালোই ঙমনা

হাতখলে । লাইনিঙথৌ নোংসাপাকী চৈলাকনা সালোঈ খৈপীক তুমখলে । অতুকীতমকনা নোংসাপা চৈলাক হাইখলে । সালোইকী নিংঙোল চানু অ·মতি খাকতুনা থমখলে । অ·সুমতৌনা তিংপালপা ১ কী মথকনে । ময়াইনে । মখানে । অহুমনা অমততা ওইনা লেপপাকুমনা লাইয়ামসিংকী ই·য়েক ই·পীনা তাইপঙপালপাকী কায়াতনুঙতা লৈতুনা লে·পপাসিপু তেংপালপকীতি মমৈ । তাইপঙ পালপাকীতি পুকোক । লাইনিঙথৌ সলাইলেল । লাইলেলমা লৈমালেল সিতাপী ২ মানা মপালী ই·পুঙঙো সানামহী কোনসেন তুলৈসেংপাতা তাকপীখিয়ে ।।০।। অ·সীতা নততানা সানামহী লাই সিতাপানা মী সাপা লোইলাতুনা মথৌৰাই মমি হাপপাকী । মপাপুঙকী কায়াতনুঙতা চঙলাতুনা । মথৌৰাই মমিপু হোইথোকলে । হোইথোকলকপাকী কায়াতলোনকী পু-ৰালী কয়ামলুমসু তাকপীখিয়ে । অ·সুম তৌনা লাইয়ামসিংকী লাইমিং মিংখৈনা । নোংথৌ মালোন ৭ অ·মনে । লৈখালোন মলোন ৭ অ·মনে । অতুকী ময়াইতা মৈ·নে । ই·সিঙনে । নুংসিতনে । লৈপাকনে । নোংথৌনে । মঙামকনা লৈহৌলোন পুলোন ৫ মক হ·ইনা লেপখলে । ই·য়েক ৫ মক অ·সীনা পুননা । ১ (অমা) হ·ইপা ই·নুঙলোনকী ই·য়েক । সিতাপকী মপুনা সাইওল তৌতুনা ই·মুলোন ৬ (তলুক) কৌনা লৈখলে । অ·তুকী মলমনা লৈহৌলোন পুলোন ৫ মক । ই·মুলোন ৬ মক কৌনা লাইকী মওংপু মীতা সাইওন তৌতুনা লেপখলে ।।০।। অ·সুম তৌনা লাইকী লীকলম ১১ না লেপপাকুম । লাইকী লীকলমনি খঙননাপা হ·ইতুনা । লাইকী লীকঃ লাইলীক হ·ইনা কৌখলে । মতৌ অসুম তৌনা । নোংথৌ মলোন ৭ কী য়াফমতা তিংপালপা মপুনা সাইওন তৌতুনা তাইপঙপালপা সনথোকনফমনি



হ·ইতুনা সনথোং অ·পানপা কৌনা । মলা লেলফু ওইখলে । মালেম লৈখালোন ৭ না অমমপা লৈমুলোনকী মসককুমনা । তাইপঙপালপাকী তুঙনফম লৈসা ওইনা লৈখলে । লৈলিপা অসিকী মওংপু । নোংথৌ মওং লেপপাপু নোংখোঙ হ·ইনা হ·ইখলে । লৈখালোন মওং লেপপাপু লৈখোঙ হ·ইনা কৌখলে । অসুম তৌনা লৈলোন নোংলোন লেপখলে । লৈহৌ নোংহৌ নাইখলে । অতুকীতমকনা থৌৰাই-মিচাক চৈওন ৭ মককী মতুঙইননা লাইলীক ই·য়েক ই·পীকী ই·য়েক ১৮ মাকী মমিংসু থোনখিয়ে । লাইলীক ই·য়েক ই·পী ১৮ অসী য়াউপা লাইলীক মমিঙতি —অহানপা কোইলৌ নুমিত খেনচঙলোন । অনিতি ই·হীলেল থাচা খেনচঙলোন । ৩ তি থৌৰাই-মিচাক খেনচঙলোন । ৪ তি সাকোক সলাই থিলেল । ৫ তি খুনুঙলোন সাকোক থিলেল । ৬ তি পাফল লমপুপা য়াঙপী থিলেল । ৭ তি বাকোকলোন হীলেল থিলেল সলাই অ·মাই·লোন পুকোক অসীনে ।।০।। অসীকী মতুঙইননা চৈওন ৭ কী চৈকোক লংমাইচীঙনা । তলঙ মালঙ ওইনা লৈলিঙৈতা । ই·নুঙলোনকী ই·য়েক ওইনা [illegible] (অমা) হাইলিপা চৈসিঙ ই·য়েকনা লেপতুনা লৈখলে । ই·য়েক ২ তি নিংথৌকাপানা [illegible] । [illegible] । [illegible] অহুম অসী ওইখিয়ে । ই·য়েক ৩ তি লৈপাকপোকপনা [illegible] । [illegible] । [illegible] অহুম অসী ওইখিয়ে । ই·য়েক ৪ তি ই·মসাকৈসানা [illegible] । [illegible] । [illegible] অহুম অসী ওইখিয়ে । ই·য়েক ৫ তি সাকোনসেননা [illegible] । [illegible] । [illegible] অহুম অসী ওইখিয়ে । ই·য়েক ৬ তি ই·লাইনা [illegible] । [illegible] । [illegible] অহুম অসী ওইখিয়ে । ই·য়েক ৭ তি থাঙ্গানা [illegible] । [illegible] । [illegible] অহুম অসী ওইখিয়ে । অ·সুমতৌনা ওইখিপা লাইয়ামসিংকী ই·য়েক ই·পীকী ই·য়েকপু তাইপঙপালপা মপুকী হুকসাঙ কায়াতকী খুনুঙ ই·য়েক ই·পী ওইনা লেপখলে । অ·সীকুমপা খুনুঙ

ই·য়েককী খোনথোক অ·সীপুসু খুনথোকলোন হাইকাতনে। লেপনা খঙপীও ।।০।।

---

মথকতা অপাবশিংনা শেংনা উবিরিবা পোৎশক অমদি ꯱• নি। উবিরিবা শকতম ꯱• অসি মীতৈ ই·পা ই·পুশিংগী সীংথালোন চৈশিং ই·য়েক অমা হায়বা শকতম অদুনি। মীতৈগী চৈশিং ই·য়েক শকতম ꯱• অসি কাইহৈদবা তেংপানবা অমদি তাইবংপালবাগী অমতা ঙাইবা মপু মাগী শকতমনি। নমলিবা পুয়া অসিগী লামাই ২০ দা '꯱• (অমা) হ·াইলিপা মপুনা -----' হায়না ইরি। মসিগী ৱাফমদি শকতম ꯱• (অসি) মপু মাগী শকতমনি হায়বনি। লামাই ২১ দা '꯱• (অমা) লৈপা মলমনা ই·নুঙলোননা কামপী হ·াইনা কৌখলে।। খুনুঙলোননা মৈ· হ·াইনা হ·াইখলে।।' হায়না ইরি মসিগী ৱাফমদি কামপী মৈ হায়বসি মপু মানা তাইবং থৌৱাই ওইনবা পীরকপনি, মপু মহাকমকনি হায়বনি। মরম অসিদগী ঙসিফাওবা মীতৈগী লাইগী থৌরম অমতা মৈ (মৈরা) য়াওদনা পাংথোকপা য়াদ্রিবা অসিনি। মথংদা লামাই ৩০ দা 'তলঙ ই·পুঙলোইনপা আপকপানা ই·য়েক ১৮ অমতি সীঙথালোন চৈসীঙ ই·য়েক ꯱• (অমা) তা সাইওনতুনা অ·তীংঅা সিতপা অ·হাংপা হ·াইনা কৌখলে।।' ঙসিফাওবা মীতৈ ঐখোয়না অ·তীংঅা অহাংপা অসিপু ইপা সোরারেল হায়না কৌরি। পুয়ানা হায়রিবা পুন্নমক অসিনা তাকপদি মীতৈ ই·পা ই·পুশিংগী সীঙথা ই·য়েক ꯱• (অমা) হায়বসি অমতা ঙাইবা তেংপালবা মপু অদুগী শোয়ফদবা, কায়ফদবা শকতমনি হায়বসিনি। শকতম অসিবু খংনা খংনা, তাক্লবদসু থৌওইদনা কনাগুম্বনা থুগাইরবা নোংশাপা চৈলাক ফংগনি, শোয়দনা লাইনা চাগনি।



মথংদা অপাবাশিংনা শেংনা উবিরিবা অসি মীতৈ ই·পা ই·পুশিংগী ই·য়েক (ময়েক) ১৮ হায়বা অদুনি। ই·য়েক ১৮ অসি কাংলুপ ৬ তা ই·য়েক ৩/৩ না কাংবু শাদুনা পুয়াসিদা ইবনি। পুন্না ইরিবা ই·য়েক ১৮ অসিগী মমাংদা পুয়া অসিদা ꯀ তগী হৌরগা ꯃ• ফাওবা অমমমতা ওইনা ই·য়েক্কী হৌফম, ই·য়েক্না করি তাকলিবা, ই·য়েক খুদিংনা করি হায়রিবা। ই·য়েক অমগী মনুংদা করি য়াওরিবা অসিনচিংবা অপাবশিংনা উবিখ্রবনি। হৌজিক অমুক সীঙথা ই·য়েক ꯱• (লাংমাইচীংনা) লুচিংলগা পুল্লপ ইরকপনি। মীতৈ ই·য়েক ১৮ দি তেংপালবা মপুগী শকতম ওইরিবা ꯱• দগী তোঙান্না তাবা য়াদে। করিগুম্বা মতমদা মীতৈ ই·য়েক ১৯ হায়রিবদু মরম অসিননি। মীতৈ ই·য়েকতি লাইপুঙথৌ ৭ (চৈওন ৭) হায়বদি ই·পুঙলোইনপা মাঙোন্দগী হৌরকপনা মীতৈনা ই·য়েক্লা ই·পানি হায়রিবনি। মতাং অসিদা অপাবশিংনা মুন্না য়েংবিগদবা অমনা ই·য়েক ১৯ অসিগী মনুংদা করম করম্বা ই·য়েকতা ই·লীক(•), ময়াংলোন্দা বিন্দু য়াওবগে হায়বদুনি। পুয়া অসি নম্বদা য়ারিবা মখৈ পুয়াগী শকতম অদু কায়দনা নম্বনি। মীতৈগী থাজনবী অমদি ই·পা ই·পুগী চহি লীশিং ৪ (মরি) দগী হেন্না চৎনরক্লবা writing script edifice অদু উৎনবা মফম অসিদা সীঙথালোন ই·য়েক ꯱• না লুচিংলগা ই·য়েক ১৮ অসি অমুক পুল্লপ পুয়াদা ইরকপসিদা, অইবনা খংজবা খরদু মীয়ামদা উৎনবা হোৎনজবনি।

মসিগী মথংদা মীতৈ ই·য়েক্কী মতাংদা ই·লীক (•) না করি শরুক য়াই হায়বা য়াম্না লুবা অমসু মীতৈ ই·পা ই·পুশিংগী ময়েক্কী মরমদা হৈ শিংবা অদু খন্নগনি।

মীতৈ ই·পা ই·পুশিংগী ই·ৱাই ই·নিন খোম্থোকতা য়ুমফম ওইরগা ই·নবা ই·য়েক ( ময়েক) writing script শাগৎলকপদা ই·লীক (•) না

য়াম্না চাওবা শরুক য়াই অমসু মসিনা মীতৈ ই·পা ই·পুশিংনা writing script শেমগৎলকপদা তাইবং মালেমদা অতৈ মী কাংলুপতগী হেন্না হৈ শিংবা উৎলি। ই·য়েক ১৯ অসি শেমগৎলকপদা মীতৈনা ই·লীক(·) ৬ (তরুক) কী মতেং লৌই। ই·লীক (·) কী মতেংনা মীতৈ ৱাহৈ অমবু লান্না ইশিনবা পাশিনবা য়াহন্দে। মথক্কী ই·য়েক ১৯ অসিদা [illegible]·, ꯀ·, ꯁ·, ꯑ· ইয়েক শকতমগা কোন্নবা ই·লীক (·) মরি অদুগা ইয়েক য়াওদবা, ইলীক মতোমতা লেপ্পা লোম (.) অমসু লুম (·) হায়বা অনি য়াওরি। মখোয় ৬ অসিনা অসুক্কী মতিক চাওবা writing script edifice তা শরুক য়াই। মখোয়বু ঐখোয়গী ই·চা ই·শুশিংদা খংহন্দনবা হোৎনবা, তমহন্দবা হায়বসি, ই·পা ই·পুগী কোকলেন্দা থাজ্না য়ানথৎপনি, ই·পা ই·পুনা থল্লম্বা য়াম্না চাওরবা মমল নাইদ্রবা লল অমা ই·চা ই·শুশিংদা ফংহন্দবনি অমদি ই·য়েক্কী হৌফম ওইরিবা তেঙপানবা মপু মহাক্কী মফমদা য়াম্না চাওনা লঙজবনি। শোয়দনা মপু মাগী চৈলাক ফংগনি।

ই·লীক (·) য়াওবা অহানবা ই·য়েক ১৮ গী মনুংদা ই·য়েক অহানবদি ꯀ· নি। অনিশুবনা ꯁ· নি। মীতৈ ই·য়েকতা ꯁ· গী মথৌ পাঙথোকপা, বেঙ্গোলীগী ই, ঈ, য় হায়দুনা ময়েক ২/৩ শুদে, ꯁ· হায়বা ই·য়েক অমথক অসিতনি। ই·য়েক ꯁ· অসিতনা মশাদা য়াওরিবা ই·লীক (·) অসি য়াওনা অমুক, লৌথোকলগা অমুক বেঙ্গোলী ময়েক ই, ঈ, ই্, ঈ্, য় মঙনা শাননবা শরুকশিং অদু লোয়না শান্নে। ময়েক্কী মতাং অসি য়েংবদা ময়াংদগী মীতৈ ই·পা ই·পুশিংনা য়াম্না হেন্না শিংবা উই। মথংদা ꯑ· নি। ই·য়েক ꯑ· অসিসু ই·য়েক ই·পী ওইনা শিজিন্নবদনা ꯑ· (ই·লীক য়াওনা) ইগনি অদুগা লোনসুম (মচেৎ) ওইনা শিজিন্নবদনা ই·লীক (·) লৌথোকলগা ꯑ ইকনি। ই·লীক (·) য়াওবা ই·পী ই·য়েক মরিমক অসিগী মরমচৎ চপ মান্নে। মীতৈ ই·য়েকতা, ইয়েক ১৮ অসিগী মথকতা ময়াং ময়েক্কী মতৌগুম



অহেনবা স্বর ময়েক হায়বা অ, আ, ই......... কাংবু অমা লৈতে। ꯑ· দা চৈতপ ময়েক শিজিন্নরগা ময়াংগী স্বর ময়েক হায়বা কাংবু লোয়না শেমই। খুদম ওইনা— বেঙ্গোলী ময়েক এ গীদমক ꯑꯦ, হায়বা এ = ꯑꯦ, ঐ = ꯑꯩ, ও = ꯑꯣ, ঔ = ꯑꯧ অসিনচিংবা। ময়াং ময়েক্কী স্বর ময়েক হায়বা কাংলুপ অমনা তৌবা থপকশিং অদু মীতৈ ই·য়েকতদি ꯑ· হায়বা ইয়েক অসিখকতনা চৈতপকী মতেং লৌদুনা চপ চানা লোয়না পাংথোকই।

মথংদা লোম (.) অমসুং লুম (·) :- মীতৈ হায়বা মী কাংলুপ অসিনা পামহৈবনা পানবা ১৮ শুবা চহীচা ফাওবদি ময়েক ১৮ দমক শাংলম্বা, শিজিন্নরম্বা অমদি ইরম্বনা., মীতৈ ই·য়েকতা গ, ঘ, জ, ঝ, ব অসিনচিংবা বেঙ্গোলী ময়েকতা য়াওবা ময়েক কয়ামরুম য়াওদে। অদুবু মীতৈ ই·পা ই·পুশিংনা তুংদা ওইরক্কদবা পুন্নমক উরম্বনা, হায়রিবা ময়েকশিং অসি শিজিন্নদবা য়াদবা ফীভম লাকপদা করম্না মাইওক্লগদগে হায়বদু শেংনা তাক্লমই। মদু লোম (.) শিজিন্নদুনা পাংথোক্লবা হায়রমই। খুদম ওইনা মীতৈ ই·য়েকতা ꯒ লৈ, অদুগা ময়াং ময়েক গ গী মহুৎ শিনবা ময়েকতি ই·য়েক ১৮ দা য়াওদে, ইয়েক ১৮ দা ꯔ য়াওই, অদুগা র গী মহুৎশিনবা ময়েকতি য়াওদে। মতাং অসিদা পুয়ানা হায়রিবদি ꯒ দা লোম (.) নল্লগা হায়বদি ꯒ় না গ শেম্মু হায়বনি, লোয়ননা ময়াং ৱাহৈ গারী হায়বা ৱাহৈসি ইবা তারবদি [illegible] অসুন্না ইয়ু হায়না তাকলি। মরম অসিদগীনি মীতৈ ই·পা ই·পুশিংগী ইয়েক ১৮ না মালেমগী লোন লোয়না ইবা য়াই হায়বদু। মথংদা লুম (·) হায়বা ই·লীক অসি শিজিন্নদুনা মীতৈ ই·পা ই·পুশিংনা লোন ৱাহৈ খুদিংগী অরুম অয়াং কায়দনা, ই·লীক অসিতগী মতেংনা, ইবা অমসু পাবা মতমদা অরুম অয়াং কায়না ইবা পাবা য়াহন্দে। খুদম ওইনা [illegible] [illegible] [illegible] অদুগা [illegible] [illegible]

ꯄ•ꯃꯦ ꯁꯥꯏ•ꯆ । অসুন্না উচেক পাইবা অমসু চৈ পায়বা, ই·লীক অসিগী মতেংনা চেন্নবা য়াদনা শেমই।

ফীভম অসিদনি মীতৈ ই·পা ই·পুশিংগী অহেনবা কোকপু মাংহনজনিংদবা মালেমগী ময়েকশিংদগী হেন্না scientific ওইবা, ময়েক মসিং য়ামদবনা তম্বদসু বারোইদৌবা, মীতৈ ইয়েক ১৮ করিগী ই·চা ই·শুশিংদা তম্বিরোইদৌরিবা অমসু তম্বিবদা মীতৈ ই·য়েকী মথৌবাই ওইরিবা ই·লীক (•) লৌথোক্লগা করিগী তম্বিগদৌরিবা, হায়না, ঐখোয়না হন্না হন্না লাউরিবা। মীতৈ ই·য়েক কনবা, মীতৈ ঐখোয়গী চেনফন্দবা থৌদাংনি ।

## মীতৈ ই·য়েক্কী লোনচন ( Spelling) :-

মীতৈ ই·য়েক্কী লোনচনগী মওং অসি পুয়াদা ফজনা পী। ঐখোয়না মীতৈ ই·য়েকতা উকাপী (ঙা) অসিগী লোনচন ই·য়েক ১৮ দা ইবা মতমদা ꯁ•ꯃꯣꯁꯥ = ꯁ•ꯃꯣꯔꯥ (ময়েক ২৭ তা) অসুন্না ইগনি। মতাং অসিদা নিংশিংগদবা অমনা ককচীং, বাঙউ অসিনচিংবা মফম খা মায়কৈদগী লাকপা মীশিংগী উকাবী হায়বা খোঙ্গোক্কা ঐখোয় ইম্ফাল ময়োলগী মীশিংগী খোঙ্গোক্কা খেন্নে। ঐখোয় মীতৈগী লোন অসি অকা অকুম ( **accent**) লৈবা লোন্নি হায়বদি **accented language** নি। ১৮ শুবা চহীচাদগী কোন্নুং অসি মীতৈলোল হৈতবা কাংবুনা পায়খিবা, মখোয়না অচৌবা ফমশিংসু পায়খিবদগী, মখোয়গা য়ান-য়াননবা ঙাংনখিবদগী ইম্ফালগী **un-accented language** অসি ওইখিবনি। মীতৈগী অশেংবা লোন্দি খুরুখুল, সেকমাই, ককচীং অসিনচিংবা কোন্নুংগা নক্ল শন্নবা বাংপা কাংবু অদুনা ঙাংলিবা লোন অদুনা মীতৈগী অশেংবা লোন্নি। মতাং অসিদা ঐখোয়গী ইম্ফালগী লোন্দা য়ুমফম ওইরগা মী খরনা উকাবী হায়বা বাহৈসি



ꯁꯃꯣꯁꯥ = ꯁꯃꯣꯔꯥ অসুন্না ই·লীক (•) লৌথোক্লগা ইনবা হোৎনরকই। মসি অরানবা লোনচন্নি। মরমদি ꯁ• না মপী ই·য়েকনি, ꯁ ( ই·লীক য়াওদবা) অসিনা ই·য়েক লোনশুম (মচেৎ) ময়েকনি। হৌজিক্কী কংলৈপাক্কী ময়েক নৈনবা খরনা ꯆ• = ঈ, ꯆ = ই, ꯁ• = ঊ, ꯁ = উ অসুন্না খনবা অসি লাল্লি। মীতৈ ই·য়েকতা ꯆ• অমখকতা লৈ, মসি বেঙ্গোলী ময়েক্কী ই, ঈ অদুগা ꯁ• অসি উ, ঊ মানহনবা অসি লাল্লি, মীতৈ ইয়েকতগী বেঙ্গোলী ময়েকত ওঙ্খোক্লগা ꯆ•গী দমক ই, ꯁ• গী উ ইবগী বাদনি, ꯆ• গা ঈ, ꯁ• গা উ মান্নে হায়না খনবসি অরানবা বাখলনি। মথংদা মীতৈ ই·য়েকতা ꯆ• হায়বা ই·য়েক অসিখকতা লৈ। ꯆ• হায়বা ই·য়েক অসি মীতৈ লোন্দ খ্বাইদগী তোয়না শিজিন্নবা ময়েকনি। ঐখোয়না ইপা, ইমা ইপা ইপু, ইচে, ইতৈমা —— অসিনচিংবা বাহৈশিং অসিগী লোনচন পীবদা অসুন্না ꯆ•ꯄꯥ, ꯆ•ꯃꯥ, ꯆ•ꯄꯥ ꯆ•ꯄꯨ, ꯆ•ꯆꯦ, ꯆ•ꯇꯩꯃꯥ অসুন্না ইগনি। য়াম্না মরুওইবা লনাই লাইরিক খরদা অমসু সরকারগী তম্বা লাইরিক খরদা ইপা ইপু হায়বা বাহৈশিং ইবদা ꯆꯄꯥ ꯆꯄꯨ অসুন্না ইরি। মসি পুন্নান লানবা লোনচন্নি। ꯆ• না ইয়েক মপীনি, হায়বদি বোঙ্গোলী ময়েক্কী ই/ঈ নি অদুগা ꯆ (ই·লীক য়াওদবা) অসিনা লোনশুম ই·য়েক (মচেৎ ময়েক) নি হায়বদি ই/ঈ নি। ইপা হায়বা বাহৈগী লোনচন পীবদা ꯆꯄꯥ অসুন্না ইবা হায়বসি ইপা অসুন্না ইপগা চপ মান্নে। হসন্তনা হৌদুনা ইবনি, পুন্নান লাল্লি। ঈখেঙ লকতা কংলৈপাক, ঈরৈপাক, কংলৈ ঈয়েক্কী পাফল — অসিনচিংবা ইবদা ꯆ•ꯁꯪꯂꯩꯄꯥꯛ ꯃꯇꯩꯄꯥꯛ, ꯆ•ꯇꯩꯄꯥꯛ = ꯆ•ꯔꯩꯄꯥꯛ, ꯃꯇꯩ ꯆ•ꯌꯦꯛꯀꯤ ꯄꯥꯐꯜ অসুন্না ইগদবনি। ꯆꯁꯪꯂꯩꯄꯥꯛ ꯃꯇꯩꯄꯥꯛ, ꯆꯇꯩꯄꯥꯛ = ꯆꯔꯩꯄꯥꯛ, ꯃꯇꯩ ꯆꯌꯦꯛꯀꯤ ꯄꯥꯐꯜ অসুন্না ইবা লোনচল অসি ꯆ মচেৎ লোনশুন্না হৌবনা

হায়বদি বেঙ্গোলী ই/ঈ না হৌবনা পাবা য়াদে। মথংদা ꯑ꯬ শিজিন্নবা ৱাহৈগী অহৌবদা ꯑ꯬ গী খোঙ্হোক মপুং ফানা লৈবা ৱাহৈদা শিজিন্নবা তারবদি ই·লীক (•) য়াওবা ꯑ꯬ শিজিন্নগনি। খুদম ওইনা ꯑ꯬ꯤꯁꯀꯄꯦ = ꯑ꯬ꯤꯁꯀꯕ, ꯑ꯬ꯇꯣꯑꯦ, ꯑ꯬ꯄꯦꯄꯥ = ꯑ꯬ꯄꯦꯕꯥ, ꯑ꯬ꯀꯣꯃꯂꯨꯄ অসিনচিংবা। মথক্কী ইলীক(•) য়াওবা ইয়েক মপী অসি নত্তবা ইয়েক ১৮ গী মনুংদা লৈবা ইয়েক পুন্নমক্কী মরমচৎ চপ মান্নে। লোনচন হৌবদা ই·য়েক মপীনা হৌগনি, লোনশুম (মচেৎ) ইয়েক্না হৌবা য়াদে।

করম্বা মতমদা ই·য়েক লোনশুন্না ৱাহৈগী লোনচন হৌদুনা শিজিন্নগদগে? —ঐখোয়না লোনচন পীবদা হৌরিবা ই·পী ই·য়েক অদুগী মপুংফাবা খোঙ্হেক ই·ৱাই ই·নিন লৈত্রবা, লোনশুম ই·য়েক্না হৌদুনা লোনচন পীবা য়াই। খুদম ওইনা ꯃꯣ। ꯏꯤꯁꯀ ꯂꯨꯤꯁꯌ। ꯂꯨꯤꯃꯖ। ꯈ। ꯈꯣꯆꯏꯤꯃꯆꯦꯀ। ꯑ꯬ꯃꯝ ꯑ꯬ꯉꯤꯗ ꯆꯦꯏꯇꯤꯂꯉꯣꯇ। ꯄꯨꯝꯂꯃꯀꯦ ꯂꯣꯇꯤꯂꯉꯣꯇ ꯃꯈꯗꯦ ꯑꯗꯦ ꯑꯗꯦ। ꯇꯂꯀ ꯃꯂꯀ ꯑꯏꯦ ꯁꯏꯑꯗꯨꯦ ꯂꯣꯇꯤꯂꯉꯣꯇ মথক্কী মীতৈ ই·য়েক্কী ৱারেং অসি পুয়াদগী শিঙ্হোকপনি। মখাদা লৈইচিংলিবা ৱাহৈশিং অসি লোনশুম ই·য়েক্না হৌবা ৱাহৈশিংনি। ঐখোয়না উন (অইংবা) ৱাহৈগী লোনচন পীবদা ꯎꯗ অসুন্না ইগনি। উন (উনশা) গী লোনচন পীবদনা ꯎ꯬ꯗ অসুন্না ইগনি। মসিদা শিজিন্নরিবা ꯎ꯬ অসি ই·য়েক ই·পী নত্তে, লোনশুম ই·য়েকতা ৱাহৈ লুমথহন্নবগীদমক লুম (•) শিজিন্নবনি। অদুগুম্না পুয়াদা য়ুম কৈ শেংদেকপগী মতাংদা ꯍꯤꯅ ꯁꯨꯄꯦ ꯂꯨꯤꯃꯌꯇ ꯏ꯬ꯃꯣ ꯏ꯬ꯄꯦꯟ ꯅꯣꯏꯗꯅꯣ। ꯏ꯬ꯃ-ꯀꯣ ꯁꯣꯈꯣꯑꯅꯣ। মতাং অসিদা ꯏ꯬ꯃ-ꯀꯣ গী লোনচন্দা ꯏ꯬ꯃ হায়না ইরবিসি ꯏ লোনশুমদা



লুম (•) শিনজন্নবনি। অরোইবদা **Governor** না অয়াবা পীরবা **Manipur Gazatte Extra Ordinary No. 33, April 22, 1980** দা পীরিবা মীতৈ ময়েক ২৭ অসিগী মতাংদা মখাগী অইবগী ৱাখল অসি পীজরি। মখাদা পীজরিবা অসি **Governor** না অয়াবা পীখ্রবা ই·য়েক ই·পী ২৭ অমসুং মখোয়গা লোয়নবা লোনশুম ই·য়েক অমদি চৈতপ ই·য়েকনি।

I. Annexure

— ঈয়েক ঈপী —

| | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|
| ꯀ (কোক) | ꯁ (সম) | ꯂ (লাই) | ꯏ (ঈ) | ꯐ (ফম) | ꯑ (অতিয়া) |
| ꯃ (মিৎ) | ꯄ (পা) | ꯅ (না) | ꯒ (গোক) | ꯓ (ঝম) | ꯔ (ৰাই) |
| ꯆ (চীল) | ꯇ (তীল) | ꯈ (খৌ) | ꯕ (বা) | ꯖ (জিল) | ꯗ (দিল) |
| ꯉ (ঙৌ) | ꯊ (থৌ) | ꯋ (ৱাই) | ꯘ (ঘৌ) | ꯙ (ঢৌ) | ꯚ (ভম) |
| ꯌ (য়াং) | ꯍ (হুক) | ꯎ (উন) | | | |

— লোনসুম ঈয়েক —

ꯛ (কোক লোনসুম), ꯜ (লাই লোনসুম) ꯝ (মিৎ লোনসুম)
ꯞ (পা লোনসুম) ꯟ (না লোনসুম) ꯠ (টিল লোনসুম)
ꯡ (ঙৌ লোনসুম) ꯢ (ঈ লোনসুম)

— চৈতপ ঈয়েক —

ꯣ = ও নপ (ো), ꯤ = ইনপ (ি), ꯥ = আ নপ (া),

ꯦ = য়েনপ (ে), ꯧ = সৌনপ (ৌ), ꯨ = উনপ (ু),

ꯩ = চৈনপ (ৈ), ꯪ = নুং (ং) ॥

মথক্কী ই·য়েক ই·পী পরেং অসিদা ꯂ, ꯁ, ꯀ ই·য়েক অহুম অসিদা ই·লীক (·) য়াওদে। লোনসুম ঈয়েক ৮ খকতনি, ꯂ, ꯀ, লোনশুম ময়েক য়াওদে।

## বাকোকলোন হীলেল থিলেল সালাই অ·মাই·লোন পুকোক পুয়া

মথক্কী পুয়া অসিগী মতুং ইন্না ꯂ·, ꯁ·, ꯀ· ইয়েক অহুম অসিদা ই·লীক (·) য়াওই। মথক্কী পুয়া অসিগী মতুং ইন্না লোনশুম ইয়েক তরা (১০) নি। Governor গী Order দা য়াওদবা ꯂ, ꯀ ই·য়েক লোনশুম অনি অসি য়াওই।

## অহল ইবুঙঙো থোকচোম থৌকাচানপা মীতৈনা পুথোকপিরম্বা বাকোকলোন থিলেল সলাই অ·মাই·লোন পুকোক পুয়া

মথক্কী অহল ইবুঙঙোগী পুয়া অসিগী লামাই ১২৪ দা পীরিবা ই·য়েক ১৮ গী পরেংদা ꯂ·, ꯁ·, ꯀ·, ই·য়েক অহুম অসি ই·লীক য়াওই। লামাই ৫০ দা পীরিবা লোনশুমশিং অদু সরকারগী অসিগা মান্নে। ইয়েক লোনশুম ৮ খকতনি। মথক্কী পুয়া অনিমকতা চৈসিঙ,



ইয়েক ꯢ· অসি ই·লীক য়াওই। সরকারগীদা ꯢ· ইয়েক অসি ই·লীক য়াওদে, ꯢ অসুন্না ই। পুয়া অনিমকতা ꯀ· মশক চপ মান্নে, ই·লীক য়াওই। মমিংদি বাকোকলোন হীলেলদনা ꯀ· ই·য়েক অসি অ·তীংআ কৌই, অদুগা বাকোকলোন থিলেলদনা ꯀ· ই·য়েক অসি আতীআ কৌই, "ং" অসি য়াওদে।

ঐখোয়না তাজখিবদি expert committee না পুয়াগী য়ুমফম লৈবা ই·য়েক ১৮ দা ময়েক ৯ হাপচিল্লগা ময়েক ২৭ থাগৎখ্রে, recommend তৌখ্রে হায়না তাজখি। অদুবু মীয়াম্না মশক মুন্না খংলবা পুয়া অনিগী ই·য়েক্কা, সরকারনা পুথোকলকপা ময়েক্কা খেনরে। ই·লীক (·) লৌথোকখ্রে। মসিনা ꯂ·, ꯁ·, ꯀ· ইপী ইয়েক্কা লোনশুম ইয়েক্কা মশক চপ মান্নরে হায়বদি ꯂ, ꯁ, ꯀ না ই·য়েক ই·পীসু ওইরে, লোনশুম ইয়েকসু ওইরে। ই·য়েক অহুম অসি শিজিন্নবদা সরকারনা পুথোকলিবা মওং অসিদদি পুয়াগী কাংলোন কায়রে, পাবা য়াদ্রে। ই·য়েক ১৮ গী ই·য়েক অতৈদসু বাফম অসি থোক্কনি। মথকতা ই·য়েক্কী মতাংদা পীজখ্রিবা অসি পুয়াদা য়ুমফম ওইবা ইয়েক ১৮গী শল্লপ্পা মশক্কী অমসু শিজিন্নবগী মতাংদনি। মথকতা পীজখ্রিবা অসিগী অচুম-অরান মীতৈ ইয়েক অসি কুইনা লুপতুনা লৈরুরবা মরম্না, মীতৈ ই·য়েক অসিগী মরমদা য়াম্না খন্ন নৈনবা মথৌ তারি। হৌজিক্কী মীরোলনা, মীতৈ ই·য়েক্লা ১৮ শুবা চহীচাদা তাখিবা অবাবদু অমুক থোকতনবা থৌবাই হকচাং য়াওনা কৎথোকপগা লোয়ননা হোৎনফম থোকই।

য়াম্না থম্মোই শোকনিংঙাই ওইবা অমনা সরকারগী চৈতপ ইয়েকতা ꯤ = ইনপ (ি) অসিখকতা য়াওবা, পুয়াদা য়াওবা ꯤ = ই·নপ অসি য়াওদবা অসিনি। বাকোকলোন হীলেল পুয়াদদি ꯤ অসি বেঙ্গোল ময়েক্কী ী অসিগা মান্নে, ꯤ না বেঙ্গোলী ময়েক্কী ি গা মান্ননা

শিজিন্নে। বাকোকলোন থিলেল পুয়াদসু মসিগা মান্নে। মীতৈ ই·য়েক্কী ꯤ = ী লৌথোকখিবা অসিনা মীতৈ ইপা ইপুগী চহি লিশিং ৪দগী হেন্না লিরবা বাংউলোন্দা চাওনা শীংনরে।

পুয়াদা [illegible] = সিতপকী মশকতি মি নে। [illegible] = মিতা সাইওন তৌতুনা পোকপা সিপা তাইপঙ মীনা, মীতৈ হায়না কৌখলে। অসুন্না পুয়াদা ইরম্বনি। পুয়াদা হায়রিবদি তেংপালপা মপু মহাক্কী মশকতি মিনে, অসিগুম্বা মপু মাগী মশক মি অসিদগী সাইওন লাংওন তৌদুনা পোকপা সিবা নাইবা তাইপঙ মী কাংলুপ অদুবু মীতৈ হায়না কৌখরে হায়বসিনি। তাইবং মীওইবা হায়বসি মপু মাগী খুৎশেমদা খ্বাইদগী বাংবা, খবাইদগী মপু মাগা নক্কবা, মপু মাগী মথৌবাই পানবা খুৎশেমনি। মপু মাগী মশক মি হায়বা অসিদগী ফিদম লৌরগা শেমখিবা, পোকপা সিবা নাইবা মী কাংলুপ অদুবু মীতৈ হায়বা ই·পু অথৌপা কোনচীন তুকথপা পাখংপাগী মচা মশু ওইরিবা মীতৈ সালাই তরেৎ অসিনি হায়না পুয়ানা হায়রকপনি। অসিগুম্বা মীতৈ ইপা ইপুগী চহি লিশিং মরিদগী হেল্লবা বাঙউলোন, তাইবং মালেমদা তাংলবা ইপা ইপুগী বাখল বাখল্লোন অসিবু মাংহনগদৌরে।

পুয়াদা মিতা হায়বসি ꯃꯤꯇꯥ অসুন্না ই। অদগা মীতৈ হায়বা বাহৈ অসিনা ꯃꯤꯇꯩ অসুন্না ই। বাফম অসিদা সরকারগী হৌজিক্কী অমতা ঙাইবা ꯤ = ইনপ (ি) হায়বা অসিনা ꯃꯤꯇꯥ সাইওন তৌতুনা পোকপা সিপা তাইপঙ ꯃꯤꯅꯥ, ꯃꯤꯇꯩ হায়না কৌখরে। হায়বা বাহৈ পরেং অসিদা য়াওরিবা ꯃꯤꯇꯥ (মিতা), ꯃꯤꯅꯥ (মীনা) অমসু ꯃꯤꯇꯩ (মীতৈ) হায়বা বাহৈ অহুম অসিগী অহানবগী অসিগা অকোনবগী অনি অসিগা করন্না খেন্ননা ইগনি। ইনবগী পান্বি লৈতে। সরকারনা মীতৈগী



বাঙউলোন মাংখিনবগীদমক পান্বি অদু থদৎখ্রে। সালাই তরেৎকী মচা ওইরিবা লৈহৌমী ঐখোয়না থৌশিন অসি য়াফম থোকতে, থিংগদবনি।

ꯤ = ি অমদি ꯤ = ী চৈতপ অনি অসিমক বাকোকলোন হীলেল থিলেল সলাই অ·মাই·লোম পুকোক পুয়া অমদি বাকোকলোন থিলেল সলাই অ·মাই·লোন পুকোক পুয়া অনিমকতা য়াওই। মতৌ করন্না করিগী পুয়াগী ꯤ = ি অসি **Government** না লৌথোকখিবনো অদুগা ꯤ না করন্না ি গা মান্নহল্লক্লিবনো হায়বদু লৈপাক মীয়ান্না শোয়দনা খংনিংগনি (ময়েক ২৭ তা য়াওরিবা অসিদি মীতৈগী য়েলহৌঙৈগী ই·য়েকতাদি ꯤ = ী নি)।

**Government** না তম্বিরিবা ꯤ , ꯤ শুনা হাপতবা অসিনা, ꯃꯤꯇꯩ = মীতৈ হায়বা তাইবং মপুগী মমিদগী য়েংদুনা শেল্লকপানি হায়বা মমিং অসি মুথৎলগা, শেমজিন শাজিনবা বাঙউলোন লৈতবা মমিং মৈতৈ = ꯃꯩꯇꯩ হায়বা মমিং অসি লৈহৌনবা, লৌতুনবা অমা লৈরে হায়না থাজরে। ঈ কাংলুপ কন্নবা থিংহৌদবা য়াদবনি।

---

অ·সুম তৌনা লাইনিংথৌ সিতপা সলাইলেলনা মপালী ই·পুঙঙো কোনসেন তুলৈসেংপতা চকপলোনকী লৈঙমলকপা বাকোকলোন। অমতি বাহৌলোন। অনিতি বাহৌথোক। ৩তি ই·নুঙলোন খুনুঙলোন অসী খৈপীককী ওইঙমলকপা কয়াপু খাকপা লৈতনা তাকপীয়ে। অ·সুমতৌনা মপালী ই·পুঙঙো কোনসেন তুলৈসেংপা সনামহীনা তলঙ মালঙ ল·ইপাউকী মতুঙইননা পাউতাক পুমনামকপু লাইনিঙথৌ সলাইলেল সিতাপনা তাকখিপা মতুঙইননা

হিকতোকপা লৈতনা লাইকীতি মমৈ । তাইপঙপালপা মীকীতি মকোক। মসানৌ ই·পুঙ্গো কোনচিল তুকথাপা। পাখঙপা মিংথোন ফংখিপা মনাউতা তাকপিলাকে নিংতুনা। ই·পুঙলোই অ·পকপনা মথননাতা লৈপা য়াততুনা হাইনা হুমমকপকী হুঙ হুং কী ই·ৰাই ই·নিননা নীকসিললকতুনা ফমচিললকপাতা। থেংনালুপা অতুপু লাইকী মসানি হ·ইতুনা লাইসা (লৈসা) হাইনা কৌখিপা অতুপু ই·নুঙপুঙতকী ই·পুঙলোইনপা অ·পকপনা ফুকখত চীংখত থাংখতলকপতা লোইনালকপা। অমতি লাইসাপু থেংনাপাতকী থোকলকপা কামপী। লাইচা। মালঙপা হাইনা কৌখিপা। লাইপুঙথৌ ৭কী লাইমিং থোনতুনা ই·মাই ফাউখিপা। ই·মাই অতুপু লাইকী খুততমনি — লাই মাললে হাইতুনা মালেম হ·ইনা কৌখিপা। তাইপঙপালপা ১ ওইলকনপা ই·পুঙলোইকী নুংপুঙ ৰাখনতকী থোকখিপা পুমনামকপু তাকপীলাকে খনতুনা ১ তি থককা খাকা তাইনপা অনিকী মলকতা। লাইকী মহৈপু তাইপঙ মী ওইনা পালহললে। অতুকী মলমনা তাইনপাতা পাললে হ·ইতুনা তাইপঙপাল কৌখিপা। অসী খৈপীককী মলমপু মসানৌ ই·পুঙ্গো কোনচীল তুকথপতা তাকখিপা মলমনা। মপুকী মিংলেল — হা। হুং। হৈ। হে। হিং। য়াইপীলেল মিংখৈপু ই·পু অ·থৌপা পাখঙপানা ফঞ্চয়ে। লাইনিঙথৌতি পাংকনপানা হুত্তঙঙা সাইওন তৌতুনা চীঙপু হুততোকতুনা চীঙনুঙহুত হাইনা কৌখিপা মফম অতুতা লাইচা ই·সিঙপু চিথোকখিপানা কংপা হাললে হ·ইতুনা কংলা থেনপুঙ হ·ইনা কৌখলে। কংলা থেনপুঙ মফমতা লাইয়ামসিংনা লেপনপা মফমতা কায়াতলোন য়েংতুনা ই·মসালে। মফম অতুপু কংলা ই·মফম কৌখলে। কংলা ই·মফম মফমতা লৈলোল নোংলোল কায়াত ১৪



কী লাইফম সেমখলে। সেমখলাপা মফমতা লাইয়ামশিংনা পানপা মফমনে হাইতুনা লাইফম হাইনা কৌখলে। লাইফম কৌপা মফমনা লৈপা লৈপাকপু কংলৈপাক হাইনা কৌখলে ।।০।। কংলৈপাক কৌপা মফমতা লাইনিঙথৌ সিতপা সলাইলেলকী হুকসাং কায়াতকী নুংপুঙ ৰাখননা তাতুনা থোকখিপা লাইলুপ ৭ মাপু পাখঙপানা পাননাতুনা। মতমকী খোঙলৈতা পোকখিপনা। খোঙলৈকী মতুঙইননা। নুলা ই·পেমমা লাইকোক হুইমুলৈ পুকসি খোমপীনা অয়ুককী খোঙলৈ মচুনা ঙাঙপা মতমতা। নাউসংতা পোকখীপানা। নৌৰাপু মঙাঙ নিংথোন ফংচাখিয়ে। ওকসঙতা থমখিয়ে ।।০।। নুলা ই·পেমমা হুইমু লৈমানা কোইলৌ মমিনা ৰাংনা ঙৌনা য়ুংপা খোঙলৈ মতমতা নৌৰানা তাইপঙ পালতা ফাউপানা লুৰাং মিংথোন ফংচখিয়ে। লুৰাংপু নাওসুম সঙতা থমখিয়ে ।।০।। নুলা ই·পেমমা লোইখুমপী মৰাই থোংঙাইলেলপীনা। কোইলৌ মমিনা খুনা মমপা মুপা খোঙলৈ মতমতা। নৌৰা অ·ঙাঙনা তাইপঙপালতা ফাউলকপনা খুমন মিংথোন ফংচায়ে ।।০।। নুলা ই·পেমমা লাইয়েক পীথেত লৈমানা নুংয়াই খোঙলৈনা মেমানপা অচীকপা মতমতা নৌৰানা তাইপঙ পালতা ফাউলকপানা অঙোমপা অঙৌপালপা হ·ইনা মিংথোন ফংচায়ে ।।০।। নুলা ই·পেমমা লৈমা উলুম খাউচাউ তোনপীনা। কোইলৌ মমিনা আয়ুককী ই·চীক। অ·মম অ·ঙান। মুনা ঙাঙনা। সিননানা লাংপা মতমতা নৌৰানা তাইপঙ পালতা ফাউলকপানা মোইলাং হ·ইনা মিংথোন ফংচায়ে ।।০।। নুলা ই·পেমমা লৈথম তালি লৈমনা কোইলৌ মমিনা য়ুংলা থক-খা ঙানপা। লুমনা ঙানপা খোঙলৈ মতমতা নৌৰানা তাইপঙপালতা ফাউলকপনা খা ঙানপা মিংথোন ফংচৈয়ে ।।০।। নুলা ই·পেমমা

নোংহাইনু লিলী লৈমানা। কোইলৌ মমিনা আতীংঅা ওইনা য়াচঙলকপা খোঙলৈতা নৌৱানা তাইপঙপালতা ফাউলকপনা। সলাই লৈসাংথেম মিংথোন ফংচৈয়ে। নোংহুমসঙতা পোকখিয়ে ।।০।। অ·সুমতৌনা লৈলমলাপাকা মপলী পুমনামকনা চাউঙমলকতুনা লৈলকপাতা। তাকপীলকে নীংতুনা মপাপুঙনা কৌসিনতুনা হাইলকলে — — ই·পালী ই·পুঙজো! ঙাংলৌ চেংলৌ অহানপা নঙতি কামপী মৈ·না খোঙলৈ মতম অ·হুমপু পুলিঙৈতা পোকপানে। ই·পালীও ।।০।। ই·পালী ই·পুঙজো লুৱাংপা নঙতি লাইচা ই·সিঙনা খোঙলৈ মতম ৩ পু পুলিঙৈতা পোকপনে ই·পালীও ।।০।। ই·পালী ই·পুঙজো খুমনপা নঙতি মালঙপা নুংসিতনা খোঙলৈ মতম অ·হুমপু পুলিঙৈতা পোকপানে। পালীও ।।০।। ই·পালী ই·পুঙজো অঙোমপা অঙৌপানপা নঙতি লাইচা ই·সিঙনা খোঙলৈ মতম অ·হুমপু পুলিঙৈতা পোকপানে। পালীও ।।০।। ই·পালী ই·পুঙজো মোইলাংপা নঙতি কামপী মৈ·না খোঙলৈ মতম অ·হুমপু পুলিঙৈতা পোকপানে। পালীও ।।০।। ই·পালী ই·পুঙজো খাঙানপা নঙতি মালঙপা নুংসিতনা খোঙলৈ মতম অ·হুমপু পুলিঙৈতা পোকপানে। পালীও ।।০।। ই·পালী ই·পুঙজো সলাই লৈসাং চেংলৌ হেনপা। নঙতি কামপী মৈনা খোঙলৈ মতম অ·হুমপু পুলিঙৈতা পোকপনে। ই·পালীও ।।০।। অসুমতৌনা পালী ই·পুঙজোখোই! তাইপঙপালপা মপু। লাইনিঙথৌ সলাইলেল সিতাপাকী সানা হুকসাঙ উ·নসাতকী তাতুনা পোকখিপা অতুকুমপা সাকী পীঃ সাপী লাইলুপ ৭ মকনা পোকপানা সলাইলুপ কৌলাকে ই·পানা। পালী ই·পুঙজো মঙাঙ চেঙলৌ হেনপা! অতুকী মতুঙইননা। নখোই ৭ মকপু। সলাই হ·াইনা ই·পানা মিংথোন পীপানে। অ·সু·মতৌনা সিতপা মপুকী



হুকসাঙ ফিলেপ ওইলাপা। কংলা পাফললী ১০৮ পু খুততোললী। কাপসিঙ। খুতুপ। লমসিঙ। থানা মপালী ৭ মকতা কংলাকী লাইফম ১০৮ মাকী মতীক ময়াই পুমনামক। পাফললীকী কায়াত ফিলেপপু তাকপীখিয়ে ।।০।। অসু·ম তৌনা হ·াইলাপকা। মপালী ৭ মা কৌসিনতুনা হ·াইলকয়ে। চকপালোনকী মতুঙইননা; ই·পানা মঙাঙলোন। লুৱাঙলোন। খুমনলোন। অ·ঙোমলোন। মোইলাংলোন। খাঙানপালোন। সলাই লৈসাংথেমলোন অ·সু·ম পাললো হাইনা তাকপীলে। অ·সু·মতৌনা হাইলাপাকা মপালী ৭ মাকী ই·মফম ৭ মা সাঙনা সাতুনা থমলে। — — ই·মাঙ কাতা মঙাঙনা লৈয়ে। মথঙ ১ তা লুৱাঙনা লৈয়ে। মথঙ ১ তা খুমননা লৈয়ে। মথঙ ১তা অ·ঙোমনা লৈয়ে। মথঙ ১ তা মোইলাংনা লৈয়ে। মখঙ ১ তা খাঙানপানা লৈয়ে। মথঙ ১ তা সলাই লৈসাঙথেমনা লৈয়ে ।।০।। অ·সুমতৌনা লৈলাপকা। পালী নখোই ৭ মাকী পাননাপা ই·মফমপু খাইথোকনা হ·াইলমকে — — পালী ই·পুঙজো মঙাঙ চেংলৌ হেনপা নঙতি ওকসঙতা লৈও। পালী ই·পুঙজো লুৱাঙপা নঙতি কেকুপাততা লৈও। পালী ই·পুঙজো খুমনপা নঙতি কুসঙতা লৈও। পালী ই·পুঙজো অঙৌপালপা আঙোমপা নঙতি কংলাকী কোনথোঙতা লৈও। পালী ই·পুঙজো মোইলাংপা নঙতি সানা কৈথেলকী নোংচুপতা লৈও। পালী ই·পুঙজো খাঙানপা নঙতি সালাং মাইতা লৈও। পালী ই·পুঙজো সালাই লৈসাঙথেমপা নঙতি নমপুনতা লৈও। অ·সুম হ·াইনা কংলা মেনপু তোংলকা লৈঙমলে ।।০।। মপাপুঙ ই·পুঙজো কোনচিন তুকথাপা পাখঙপাসুং ফমপানথকতা। থাচকী মসেকতকী তালক্পাকুমনা মৈপুন হাইচাউ হৌপা ওইনা নুংঙাঈ থোইনা পানখলে। অসুমনা লৈলাপাতা লাইলেল খোমপীকা মঙাঙ নিঙথৌকা

পাননাতুনা লৈসঙলেল অসং ঙাসাপা পোকয়ে ।।০।। মথঙ ১ তা লাইলেলপী অঙাইপীকা লুবাঙ লিঙথৌকা পাননাতুনা নোংতমলেল অবাংপা পোকয়ে। মথঙ ১ তা লাইলেলপী খুঙাইপীকা খুমন নিঙথৌকা পাননাতুনা নোংতমলেল অখুপা পোকয়ে। মথঙ ১ তা লাইলেলপী থিংপী লাইখোমপীকা অ·ঙৌপালপা অ·ঙোম নিঙথৌকা পাননাতুনা লৈসঙলেল অসংপা পোকয়ে। মথঙ ১ তা লাইলেলপী থালৈমাকা মোইলাং নিঙথৌকা পাননাতুনা ই·চেঙ পোকয়ে । মথঙ ১ তা লাইলেলপী কোংতিং লৈমাকা খা-ঙানপাকা পাননাতুনা নোংতমলেল অ·ঙানপা পোকয়ে। মথঙ ১ তা লাইলেলপী চেংলৈমাকা সলাই লৈসাঙথেমকা পাননাতুনা খুম খুম নিঙথৌ পোকয়ে । অ·সুম তৌনা । সালাইলুপ । সাখাই খাইনা পাললাপাতা । অ·তুকী মতুঙতা মঙাঙ নিঙথৌনা অ·মুক সঙকাইতা লৈলমলে । মথঙ ১ তা লুবাঙ নিঙথৌনা লাঙকোনতা লৈলমলে। অ·তুতাকী লুবাঙখোংতা হোংখিয়ে । লমফেলপু কোনতুনা লৈখিয়ে । মথঙ ১ তা খুমননা পাললমপা ই·মফমতি য়াইলীপোকতা পাললমলে। অ·তুতকী উমুখোংতা লৈলমলে । অ·তুতাকী লৈকোইপুঙতা হোংখিয়ে । অ·তুতাকী পুমলেলতা হোংখিয়ে । মথঙ ১ তা অ·ঙৌপানপা অ·ঙোমপানা পাললমপা ই·মফমতি কোনথাতা পাললমলে। অ·তুতাকী ওকসঙ থোঙ মখাতা লৈলমলে । অ·তুতাকী কোংপা তুলেলনা কোনপা লমতা হোংখিয়ে । মথঙ ১ তা মোইলাংনা পাললমপা ই·মফমতি লৈকোইপুঙতা হোংতুনা লোকতাক ই·সা ই·কোনপু সুপনা ঙাকখিয়ে । মথঙ ১ তা খাঙানপানা লৈলমপা ই·মফমতি। কাংপোকপীতা লৈলমলে। মথঙতা লাংকোনতা লৈলমলে। মথঙতা লুবাঙচীতা লৈলমলে। মথঙতা তাকনাখানা কোনপা লমতা হোংখিয়ে। মথঙ ১ তা সলাই লৈসাঙথেমপানা লৈলমপা



ই·মফমতি লৈশাঙহিতেন মপানতা লৈলমলে। অতুতাকী হোংতুনা নুংসেঙ মপানতা লৈলমলে ।।০।। কোনচিল তুকথাপা ই·পুথৌ পাখঙপানা সলাইলুপ সাখাইকী মতুঙ-ইননা কংলৈ ৭ মাতা মপালী ৭পু পালহলখালে । মপালীসিংকা চাতা নৌতানা পাকনা সননা য়ামথোকখিপানা। লোইপী চীঙ্চাউ ক·খলে । (হৌ-হৌ) খোনথোক ই·বাই ই·নিনকা ই·লোইনাখলে । চীঙলেল চীঙ্চাউ কাখিপানা তাংচা-মসিন ওইনায়ে। অতু ওইপাকীপু নুংঙাই-থোইনা লৈচায়ে । মাঙতা হাইখিপা। ইপুঙ লোইনপা অপকপানা । লাইনিঙথৌ নোংসাপা ওইতুনা সালোইপুমপা হাতখিপা । চনু অ·মাপুনা লাইনিঙথৌ সলাইলেলকী নুংশি মিতয়েঙ থাপীখিপা অ·তুনা ঙমনা য়োকখলে । য়োকচপা অতুকীনা মচানি হ·ইখলে ।।০।। অসুমতৌনা সলাইলুপ সাখাই খাইতুনা পাললাপাতা। নোংহুমসঙতা লৈলকপা খুম-খুম নিঙথৌকী নৌতা ওইলাপা। মলিয়াফম পালচাপু ই·ঙঙা কুমতম ই·ঙঙেন কুমখাইপা মতম লৌতুনা। মসিতাকী কুমচত সিঙথালোন লাইলি-লাইচত। নুমিত। থাসিঙ। চৈহি চৈচত হৌহনখিয়ে ।।০।। মলিয়াফম পালচানা লৈমা তানু পাননাতুনা কোনথৌপা পোকয়ে । কোনথৌপতি হাউলোকপম ওইখলে । হউলোকপম চনু মমোমলোই কোনথৌ ই·তা সাতচপী। তমফা চনু নুচাপু লৌলুপা অসিতা নততানা। মীতৈ চনু সলাইলুপ সাখাইকী মচা মসুপু । লাইনিঙথৌ সিতপা সলাইলেলনা লৌলুপাতকী। লাইয়াম পুমনামকনা খুনতীন য়াকাতুনা । কংলা সঙকাই মেনসঙতা তানায়ৈ সেনপুঙ য়ৈতুনা খুনতীন য়াকা য়াথোকলে। য়াথোকপাতা। পাখঙপানা হ·ইলকই —— ই·পাপুঙ ই·পুঙঙো সিতাপা! নমু তাইপঙ চাতোন সুতোনসিংনা। লাইকী চাতা নাউতানি

হ·ইনা চতলকাতাপা অ·সীপু কলম হ·ইনা তৌকপা। অ·সী বাতি হ·ইলাপাতা। সলাইলেলতি সিতাপা। নুংপুঙ বাখল তৌতুনা হ·ইলকই — — ই·পালীও নুংসিপা! ইচাকী চাতা সলাইলুপ সাখাইসিংনা লাইকী লীচতপু লৌতুনা চতপা য়ালোইয়ে। অ·সু·মনাতি মপালীতা হ·ইলকয়ে। লাইকী লুপনা ই·চাকী চাতা নাউতাপু সোকুউপা অসীতি লাইপুঙথৌ ৭ কী। ই·য়েক ৭ কী মতুঙই ননা। ই·পানা ঙসিতাকী হৌনা য়েক হ·ইনা কৌলকে ।।০।।

ই·চাকী চাতা নাউতানা লাইকী লুপনা চতলমপা ফিতম লৌতুনা চতলকলাপাতি। লাইকা মীকা য়েকনপা। তৈনাপা। মৌনপা। ওইসুনো। লাইপুঙথৌ ৭ মককা য়েকনাপাসুং ওইসুনো। মাকী মাকী সলাইলুপ সাখাই পুমনমক য়েকনাপাসুং ওইসুনো। য়েকনাপা অ·সিকী মতুঙ ইননা ই·কী চালৌ মৌ-লৌনপা য়ালোইয়ে ।।০।। অ·সু·ম হ·ইলাপাতা। মপালী তুকথাপানা হাইলকই — ই·পাপুঙ ই·পুঙঙো সিতপা! ই·য়েক য়েক হাইলিপা অ·সিপু অমুক হননা তাকপীও। হাইলাপাতা সিতাপানা হ·ইলকলে — (পালী ই·পুঙঙো তিংপালপা মপু কৌলিপা ই·পুঙঙো মহাককা লোইনতুনা লৈলিপা লাইপুঙথৌ ৭ মাতা পকতুনা। ঈকী মওং মাননা। খুপী মলুম চাউনা অ·কোইপা ওইনা পকইয়ে। অ·কোইপা অতুপু ই·য়েক কৌয়ে) ।।০।। ইয়েক অ·তুকী মনুঙতা ই·কী ফুন ১ লৈয়ে। অ·তুপু ই·লীক কৌয়ে। ই·লীক অ·তুকা য়েকনালে। য়েক কৌয়ে। অ·তুকী মলমনা লাইপুঙথৌ ৭কী মসাতা পকয়ে হ·ইতনা অ·পকপাসু কৌয়ে। পালী ঈপুঙঙো! লাইলুপ ৭ কা। ই·চাকী ই·কা তিননাতুনা পোকপা অ·সিপুনা সালাই কৌলাকে। সালাইনা পোকপা অ·সীপুনা নাউতা হাইনা কৌখলে। নাউতাকী সলাইলুপ



সাখাই পুমনামকনা লৌলাপাতি য়েককা য়েককা ই·লৌনপা ওইসুনো। মানা মানা তৌপা ওইসুনো। সালাইলুপ সাখাইশিংনা চালৌ মৌ-লোনাপা তৌলাপাতি নাউতাকী সুথাঙ ৭ না লোমকানিয়ে হাইনা তাকপীখিয়ে ।।০।। পালী ই·পুঙঙো! বালম অসিপু পুথাংকোক পাথাংকোক, ই·থাংকোকনা লেপনাপা য়াথংনে। পালী সই·পুঙঙো! য়েককা-য়েককা চালৌ মৌ-লৌনপা মীতি খঙপা ওইতাসুনো। ই·চাকী নুংতকী খঙঙে হ·ইতুনা নুংখঙ কৌলকে ।।০।। ই·চাকী ই·তা লুপপে হ·ইতুনা। ই·লুপপা কৌখালে। অ·সুমনা লাইয়ামসিংনা লেপখালে। অ·সুমতৌনা লৈপাককী সেকনিংতা লাইনিঙথৌ সিতাপা সলাইলেলনা ওইঙমলকপা। লাইকীতি ম·মৈ তাইপঙমীকীতি মকোক। পাখঙপনা ই·কী নিংথৌ ওইনা পাললাপাতা। থোকখিপা থৌথোককী লাইলীক পুয়ানে লেপনা খঙপীও ।।০।। লাইলীক অ·সীপু লাইলাপাতি লৈপাকসুং নিংথৌসুং। লেপনা মাঙাকতানে খঙপীও ।।০।। লাইলীকঃ বাকোকেলোন হীলেল থিলেল সালাই অ·মাই·লোন পুকোক কৌপা পুয়াতি লাইলীক পুমনমককী পুকোকনে। লেপনা খঙপীও ।।০।। অ·সুম হ·ইনা। মাইচৌ ৪ নে। লৈপাক নিংথৌ মীয়ামনে পুমনামকতা মঙাঙ নিংথৌনা। ঙাসাপাতা তাকপী তমপীখিপা ঙাসাপাকী বালী লীখুনপু মুংয়াংপা নিংথৌনা। পাউতাক হিতেনতকী হললকপা মতাংতা লীখিয়ে ।।০।। অ·সুম তালাপাকা। মুংয়াংপা নিংথৌনা। থাং খৌপোমপা। খমসুনহা তাপু ফংচায়ে মৈতানা কৌপা খাকী লৈপাককী হিংচাপাপু হাতপা ঙমচায়ে। লেপনা খঙপীও ।।০।।



অইবা



তেঙপাঙবা



নোংমাইচীং অমদা কংলৈপাক হিস্তোরিকেল এণ্ড কলচরেল রিসার্চ সেন্টরদা মীতৈ ই-য়েককী মতাংদা খন্ননৈনবগী শকতম অমা ।



সেন্টরসিদা ই-য়েক অমদি পুবারী নৈনবদা য়াওবা, কংলৈ ই-য়েক অমদি কংলৈ পুবারীবু নুংশিজবা থিজিল্লোই খরা ।